[illegible]



[illegible]



[illegible]



PTI

[illegible]

# ওসিগী রাষি ফল (১১–১০–২০২৬)

**ইবোপিশক নিংথৌজা (এৱার্দি)**

*এষ্ট্রো এণ্ড পালমিষ্ট, পাউনা বাজার, ইম্ফাল*

**মেষঃ** খুদোংচাবা থেংনবা, চাওখৎপা, ফগৎপা, পাঙথোক্লিংবা খরা মায়পাকপা, শেল ফংবা, লন্থানবশিংনা চানবীবা, ইমুংদা শান্তি লৈবা ওইরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – নুংশিনগনি।
মহৈরোয়শিংগী – হোৎননিংগনি।

**বৃষঃ** অকনবা ৱাহৈ শিজিন্নদবা ফগনি। থবক খরদি মায় পাক্লগনি। ইথক থোংবশিংনা চানবীরগনি। চৎথোক চৎশিন্দা কান্নগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – লৌ তৌনগনি।
মহৈরোয়শিংগী – ৱাখল চরাংনগনি।

**মিথুনঃ** য়েংশিনবা কল্লকপা হেনগৎলগনি। থবক মচা মচাদি পাঙথোক্লগনি। শেল মরম চাদনা চৎলগনি। ওইজবা লৌখিবা থেংনরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – ৱারৌনগনি।
মহৈরোয়শিংগী – ফকচিল্লগনি।

**কর্কটঃ** অশাওবা ৱারৌবা লোয়নরগনি। গাড়ী তপ্লা থৌগনি। শেল চৎপা হেল্লগনি। শাগৈনা য়েংথিগনি। ইমুংদা চরাংনগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – মুক্নগনি।
মহৈরোয়শিংগী – ৱাখল থোক্লোই।

**সিংহঃ** চাওখৎপা ফগৎপা, পাঙথোক্লিংবা পাঙথোক্লগনি। ঐগী মী মশিং হেনগৎপা, লুচিংবশিং লন্থানবশিংনা চানবীবা ওইরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – অমত্তা ওইরগনি।
মহৈরোইশিংগী – লৌশিং হেনগৎলগনি।

**কন্যাঃ** খুদোংচাবা থেংনবা, থৌরম পাঙথোকচবা, শেল ফংবা, পোৎ লৈবা য়াবা, মিংচৎ হেনগৎপা ওইরগনি। ইমুংদা শান্তি লৈরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – মত চান্নগনি।
মহৈরোইশিংগী – হোৎননিংগনি।

**তুলাঃ** হৈশিংনা চেকশিন্না হোৎনজগনি। অরুবা খরদি মায়পাক্লগনি। চৎথোক চৎশিন্দা, মী লোয়নবদি চেকশিলগনি। ইমুংদা শান্তি লৈরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – ৱারৌনগনি।
মহৈরোয়শিংগী – ৱাখল চরাংনগনি।

**বৃশ্চিকঃ** তিন্নবশিংনা য়েৎশিনবা, ৱাখল শাবা, তোখাই তাবা লৈরগনি। লন্থানবশিংনদি চানবীরগনি। থবক মচা মচাদি পাঙথোক্লগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – ৱাখল মান্নরোই।
মহৈরোয়শিংগী– হোৎননিংলোই।

**ধনুঃ** পাঙথোক্লিংবা খরদি পাঙথোক্লগনি। মকোক ওইবশিংনা চানবীবা, শেল ফংবা, মিংচৎ হেনগৎপা, পোৎ লৈবা য়াবা নুমিৎনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – মত চান্নগনি।
মহৈরোইশিংগী – লৌশিং হেনগৎলগনি।

**মকরঃ** চাওখৎপা, ফগৎপা, চাংয়েংনবদা মায় পাকচবা, লন্থানবশিংনা চানবীবা, চৎথোক চৎশিন্দা খুদোংচাবা থেংনবা ওইরগনি। ইমুংদা শান্তি লৈরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – অমত্তা ওইরগনি।
মহৈরোইশিংগী – বুদ্ধি চাওখৎলগনি।

**কুম্ভঃ** মতেং পীবীবা হেনগৎলগনি। মরুপ মফম পাক চাওখৎলগনি। শকখঙবীবা হেনগৎলগনি। অরাপ্পা চৎপা কান্নগনি। ৱাখল খরদি নুংঙাইরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – নুংশিন্নগনি।
মহৈরোয়শিংগী– হোৎননিংগনি।

**মীনঃ** অশাওবা খৎননিংবা, ৱারৌবা লৈরগনি। গাড়ী তপ্লা তৌগনি। চঙজরকপা কনখৎলুগনু। শেল চৎপা হেল্লগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – মুক্নগনি।
মহৈরোয়শিংগী – ফকচিল্লগনি।

# SANALEIBAK QUIZ - No. 28

*Sanaleibak Quiz will publish in every Sunday. It is in the interest of the students and people of Manipur. The answers can be sent through* **whatsapp No. 8830812368** *within 17th October, 2026. Answers of the Quiz will be published on 18th October.*

**Q. 1.** Which animal sleeps standing up and can't vomit?
**Q. 2.** What creature has three hearts and blue blood?
**Q. 3.** What is the chemical symbol of gold?
**Q. 4.** Which dish can be made in 2 minutes?
**Q. 5.** A group of stars is called?

***Answers of the Sanaleibak Quiz No. 27 (27-09-2026)***

**Ans. 1.** Sumo wrestling.
**Ans. 2.** Wimbledon.
**Ans. 3.** Cristiano Ronaldo.
**Ans. 4.** A murder.
**Ans. 5.** Giraffe.


## [illegible]/ Name Correction Declaration

My correct and actual name is **Sanabam Ranjit Meitei**. But in my Aadhaar Card bearing No. 8200 5757 8433, my name has been erroneously recorded as **Sanabam Ranjit Meetei** instead of my correct name, **Sanabam Ranjit Meitei**, due to an inadvertent mistake made at the time of enrolling for the Aadhaar Card.

I hereby declare that **Sanabam Ranjit Meitei** is my correct name and that the name **Sanabam Ranjit Meetei** recorded in my Aadhaar Card is erroneous and requires correction accordingly, vide affidavit before the Oath Commissioner at Imphal, Manipur, dated the 9th October 2026.

*Sd/-* **Sanabam Ranjit Meitei**
Wabagai Mayai Leikai, Manipur
Manipur – 795103

*SL/Ath/11*

## [illegible]/ DECLARATION

My real/correct name is **Oinam Joy Singh** as recorded in my academic documents. However, my name and date of birth have been wrongly recorded as **Oinam Joykumar Singh** and 01/02/1980 in my Aadhaar Card bearing No. 4841 5353 5526 issued by Unique Identification Authority of India. I had corrected my name and date of birth as **Oinam Joy Singh** and 01/03/1995 in the same Aadhaar.

The two name **Oinam Joy Singh** and **Oinam Joykumar Singh** are one and of same person and obtained an Affidavit for proof of my name **Oinam Joy Singh** and **Oinam Joykumar Singh** is one and the same person to the concerned authority vide Affidavit before the Oath Commissioner (Judiciary), Bishnupur, Manipur dated 2nd April 2018.

*Sd/-* **Oinam Joy Singh**
Chandpur Maning Leirak
Bishnupur District, Manipur

*SL/KK/11*


# SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 9 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Evil Sana Suduku-1104**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 5 | | 2 | | 9 | | | 7 | |
| | 6 | 4 | 7 | | | | 5 | |
| 9 | 7 | | | | 5 | | 6 | |
| | 8 | 9 | 3 | | | | | 7 |
| | 5 | | | 4 | 7 | 6 | | |
| | 4 | | 5 | | | 9 | | |
| 4 | | | | 5 | | 7 | | |
| 6 | | | | | 9 | | | 5 |
| | | 5 | 2 | | | | 9 | 4 |

সনা–সুদোকু–১১০৪গী সোল্যুসন লমাই ৭তা

# সেন্টর লৈঙাক্কী থৌওং অসি মণিপুরগী য়েলহৌমী ফুরুপশিং মুখৎলগে হায়বগা মান্নরেঃ সঞ্জয়




মোইরাং, ওক্টোবর ১০ (এসএনএস)ঃ হৌজিক হৌজিক ষ্টেট অসিগী মীয়ান্না মায়োক্লরিবা ইরাং অসিগী মিংদা বি জে পিনা লুচিংবা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা য়েংলিবা মীৎয়েং অসি মণিপুরগী য়েলহৌ ফুরুপশিং মুখৎলগে হায়বগা মান্নরে হায়না অপূনবা লূপ ৫গী কনভেনর সঞ্জয় সোরোখাইবন্না ফোঙদোকখ্রে।

অমুকো, অমোৱোভা, প্লমপম, কোহর অমসুং এম এস এফ লূপ ৫ না শীন্দুনা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মোইরাং এ সিগী মনুং চনবা নরানসৈনাগী মার্কেট সেদতা ঙসি পাঙথোকখিবা ৱাকৎ মীফমদা শরুক য়ারদুনা সঞ্জয় সোরোখাইবন্না হায়, মণিপুরদগী আর্মদ ফোর্স (স্পিসিয়েল পৱার) এক্ট ১৯৫৮ লৌথোকউ হায়না মীয়ান্না খোঙজং চঙশিল্লিঙৈ চৈরক্তা ইন্দিয়াগা সূ তৌনরি হায়রিবা প্রোক্সি আর্মিগা মান্নরগা মণিপুরদা ইরাং থোকহল্লি। হৌজিক ফুরুপ মশেল উনবা য়াদবগী ফিভমদা লৈরি। থোক্লিবা ইরাং অসিগী মিংদা হৌজিক বি জে পিনা লুচিংবা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা চথরিবা থৌওং অসি ২০২৯ ফাওবদা মণিপুরগী য়েলহৌ ফুরুপশিং মুখৎলগে হায়বগা মান্নরে।

মহাক্লা মখা তানা হায়, ষ্টেট অসিদগী সেন্ট্রেল ফোর্সশিং চৎখ্রো হায়না লাওরিঙৈ তাঞ্জাদা ইরাং অসিগী মিংদা অহেনবা সেন্ট্রেল আর্ম ফোর্স লিশিং ৬০ রোম পুশিল্লকখ্রে। অদুগা অমুক সি আর পি এফকী কোব্রা টিমসু পুশিল্লকখ্রে। হন্দক্তা সেন্ট্রেল ফোর্সকী কম্পনি ৩০ অমুক পীবিনবা হায়জবা লৈখ্রে। ইন্দিয়া অমসুং মণিপুর লৈঙাক্লা তৌরিবা থৌওং অসি করিনো হায়না হংলদুনা মণিপুরদা লাক্তুনা লৈরিবা সেন্ট্রেল ফোর্সশিং অসিগী হোৎনরিঙৈদা শেমগৎ শাগৎপগী থবক অমত্তা তৌদ্রে।

আর্ম ফোর্সেস (স্পিসিয়েল পৱার) এক্ট ১৯৫৮ গী মখাদা সেন্ট্রেল ফোর্সশিংনা মণিপুরগী য়েলহৌ ফুরুপকী নুপা নুপী কয়া ওৎপী নৈবীখ্রে। হাৎতোকপিখিবা ফাওবা য়াওখ্রে। অদুনা সেন্ট্রেল ফোর্সশিং পুশিনবিরক্লনু, হান্না লৈরম্বশিংসু লৌথোকখ্রো। সেন্ট্রেল ফোর্স লাক্লগা ষ্টেট অসিদা ইরাং থোকপগী চাং ৱাংখৎলক্লে হায়নসু ফোঙদোকখি।

নরানসৈনাগী ইমা ইবেল কয়ানা শরুক য়াখিবা ৱাকৎ মীফম অদুদা এম পি এ এল বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী সেক্রেটরী আর কে সখি দেবী, অমুকোগী প্রসিদেন্ট সঞ্জয় সোরোখাইবম, ভাইস প্রসিদেন্ট নোরেন থোকচোম শরুক য়াখি। মণিপুর মুখৎপা য়ারোই, ১৯৫১ না বেজ ইয়র ওইরগা এন আর সি অপদেট তৌনবা মণিপুর লৈঙাক্লা ইন্দিয়া লৈঙাক্তা তকশিনগদবনি। এস আই আর ২০২৬ চৎনহনবা য়ারোই, অথুবদা আই দি পিশিং ময়ুম ময়ুমদা হঞ্জিলহল্লু, ইন্দিয়া অমসুং মণিপুর লৈঙাক্লা মীয়ান্না মায়োক্লরিবা অৱাবা অসি খুদক্তা কোকহল্লু, মণিপুরদগী অফস্পা লৌথোকউ হায়বা প্লে কার্দ কয়াসু পায়দুনা খোল্লাও কয়াসু লাওখি হায়রি।

## বামোন অমুমচাগী পূক্নিং লৌশিং

## লাম্ছেং

লৈবাক অমদা নিংথৌ অমা পাল্লম্মী। মহাক্কী শমু ময়াম অমা লৈরম্মী। শমুশিং অদুগী মনুংদা য়াম্না কনবা, য়াম্না থৌনা লৈবা অমসুং অশিংবা শমু অমা য়াওরম্মী। নিংথৌ অদুনা খ্বাইদগী পামজবা খোঙনেৎ শমু ওইরম্মী। নিংথৌ অদুনা চৎপা লানফম খূদিংদা শমু অদু তোংদুনা চৎলম্মী। লানফম খূদিংদা শমু অদুগী মপাঙ্গল অমসুং মৰৌশিংনা লানঙম ফিরাল থেৎতুনা হল্লকখিবা ঙাক্তা ওইরম্মী। নিংথৌগী লৈরিবা শমু ময়াম অদুগী মনুংদা শমু অদুগী তোপ তোপ্পা মফম অমা কন্দুনা লৈরম্মী।

মতমগী মতুং ইন্না শমু অদু অহল ওইরক্লে। মপাঙ্গল শোন্থরক্লে। নিংথৌনা মহাকপু মহাক্কী খোঙনেৎ শা ওইনা শিজিন্নদ্রে। অদুম ওইনমক মহাক নিংথৌকোনগী শমু মরক্তা অদুমক থমলম্মী। অদুবু হান্নগুম মঙোন্দা পীবা মফম অদুদি নোংমা নোংমগী হন্থরক্লম্মী।

নোংমা শমু অদুনা পাৎ অমগী মপান্দা চৎতুনা ঈশিং থক্লে তৌবদা মহাক্কী মখোঙ অদু লৈখোমদা পুৎথখিরম্মী। মহাক্লা মখোঙ অদু লৈখোমদগী শৎকৎলগা কাখৎনবা হন্না হন্না হোৎনরবসু ঙল্লমদে। অসুম্না শমু অদুনা পুৎথদুনা লৈবা অদু অউবশিংগী মরক্তগী নিংথৌগী শমুনি খঙবশিংনা নিংথৌদা পাউ য়ৌহল্লম্মী। খুদক্তা নিংথৌনা মহাক্কী মনাই মশন ময়ামগা লাক্লগা চাউরবা শমু অদু চিংখৎনবা হোৎনবদা অরেম্বা তারম্মী।

মতম অদুদা কোনুংদা ফমনাইরম্বদগী অহল ওইরক্তুনা পোত্থারবা মন্ত্রি অমা লাক্লগা পাৎ অদুগী অকোয়বদা লানগী পুংখোন থিন্নবা অমসুং লাল্লাও লাওনবা ৱাফম হৌদোক্লম্মী। খুদক্তা নিংথৌনা লানগী পুং–শেন য়ৈনবা অমসুং লাল্লাও লাওনবা য়াথং পীরম্মী। নিংথৌগী য়াথং মতুং ইন্না পাৎ অদুগী মপান্দা য়াল্লবা পুং–শেন য়ৈবা ময়াম অমনা লালগী পুংলোন য়ৈবগা লোয়ননা লানগী লাল্লাওসু লাওবা হৌরক্লম্মী। লানগী পুংলোন অমসুং লাল্লাও অদু তাবদা শোল্লবা অহল ওইরবা শমু অদু তপ্না তপ্না হৌগৎলকপগা লোয়ননা মখোঙ অদু লৈখোমদগী শৎকৎলগা পাৎ অদুদগী কাখৎলক্লম্মী।

ঙসিগী কোরোনা ভাইরসকা মীওইবগা থেংনরিবা লানগী তাঞ্জা অসিদা ৱারী অসিনা পীরিবা ইথিলদি অসিগুম্বা ৱারবা তানফম অসিদা ঐখোয়না থম্মোয় ৱাখল শোন্থগদবা নত্তে। ঐখোয়না মহৌশাগুম ৱাখল চাওথোকপগা লোয়ননা লৌখৎফম থোকপা চেকশিন থৌরাং পুম্নমক লৌখৎতুনা থৌনা ফনা লাম্হেংনগদবনি হায়বসিনি। অসুম্না লাম্হেংনরবতদা ঐখোয়না কোরোনাগী লায়চৎ অসি লাকশিনবা শোয়দনা ঙমগনি।

# এ এম পি টি এগী জি বি মীফম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১০ (এসএনএস)ঃ ওল মণিপুর প্রিন্টিং টেক্নোলোজিষ্ট এসোসিয়েসন (এ এম পি টি এ)গী ৪২ শুবা চহীগী জেনরেল বোদি মীফম ঙসি মালোম তুলিয়াইমাদা লৈবা এসোসিয়েসন অসিগী ময়াই শঙলেনদা পাঙথোকখ্রে।

ঙসিগী মীফম অদুনা মথং টার্ম চহী অনীগী থৌ পুগদবশিং খনখিবগা লোয়ননা এসোসিয়েসন অসিগী মিংসু ওল মণিপুর প্রিন্টরস এন্দ টেক্নোলোজিষ্টস এসোসিয়েসন হায়না ওনবদা অয়াবা পীখ্রে হায়রি।

এসোসিয়েসন অসিগী প্রসিদেন্ট য়ুমখাইবম সমরেন্দ্রো সিংহনা ময়ায় ফমদুনা পাঙথোকখিবা চহীগী মীফম অদুনা কুমজা ২০২৬ ওক্টোবরদগী ২০২৮ ওক্টোবর ফাওবা থৌ পুনবা খনখ্রবশিং অদুদি ডা. নিঙোম্বম সরতচন্দ্র সিংহ প্রসিদেন্ট, হুইদ্রোম ওপেন ভাইস প্রসিদেন্ট–১, সনায়াইমা খাইদেম ভাইস প্রসিদেন্ট–২, চিত্রারঞ্জন রাজকুমার সেক্রেটরী, নিঙোম্বম ইমোজিৎ ট্রেজরর, ঐচ গীতচন্দ্র জোইন্ট সেক্রেটরী (এদমিনিষ্ট্রেসন), রাকেস নাওরেম জোইন্ট সেক্রেটরী (পব্লিসিটি)নি। অদুগা এগজিক্যুটিভ মেম্বর ওইনা নিঙোম্বম ইন্দ্রলাল, সাপম দিপারানি, লাইময়ুম মনজিৎ, মুতুম ইবোথোইবু খনখি। অসিদসু নত্তনা য়ুমখাইবম সমরেন্দ্র সিংহ অমদি সেঞ্জম সুরজিৎ সিংহবু এদভাইজর ওইনা খনখি হায়রি।

পনবা য়াই এসোসিয়েসন অসি কুমজা ১৯৮৪ দা লিংখৎখিবনি। অদুগা ১৯৯১ দা ওল ইন্দিয়া ফেদরেসন ওফ মাষ্টরস প্রিন্টরস ন্যু দিল্লিদা এফিলিয়েট তৌখিবনি।

# বিষ্ণুপুর রিলিফ কেম্পতা মেদিকেল কেম্প পাঙথোকখ্রে

বিষ্ণুপুর, ওক্টোবর ১০ (এসএনএস)ঃ মণিপুর পুলিসকী ১৩৫ শুবা রাইজিং দেগা মরী লৈননা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা শীন্দুনা ওল্ড দি সি কমপ্লেক্স হৌজিক্লা রিলিফ কেম্প ওইরিবা মফমদা ফ্রি মেদিকেল কেম্প পাঙথোকপগা লোয়ননা আই দি পিশিংদা অথুম অহাও য়েন্থোকখ্রে।

বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিস অমসুং রিমস ইম্ফাল খূৎশন্নদুনা জন ভাগিদারি আউটরিচ এৱার্নেস প্রোগ্রাম ওফ কয়াকল্প ওন হেল্‌থ এন্দ সেনিটেসনগী মখাদা পাঙথোকখিবা ফ্রি মেদিকেল কেম্প অদুদা রিলিফ কেম্প অমসুং অকোয়বদা লৈবা মীওই কয়াদা অনা লায়েংবগী খুদোংচাবা ফংহনবগা লোয়ননা লেন্না হিদাক লাংথকসু পীখি।

রিলিফ কেম্পতা লৈবা নুপী অঙাং অমসুং অহলশিং পূন্না আই দি পি ১১৪ অমসুং অতোপ্পা মীওই কয়া কেম্প অদুদা লায়েংবগী খুদোংচাবা পীখি লোয়ননা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী মায়কৈদগী অথুম অহাও কয়াসু য়েন্থোকখি হায়রি।

# কে ৱাই দব্লিউ এ সিগী কুমওন পাঙথোকখ্রে

ককচিং, ওক্টোবর ১০ (এসএনএস)ঃ কাদাজিৎ য়ুথ ৱেলফেয়ার এসোসিয়েসন ক্লব (কে ৱাই দব্লিউ এ সি)গী ৪৪ শুবা কুমওন থৌরম ঙসি ক্লব অসিগী শঙলেনদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা এম য়ুগী প্রোফেসার ডা. ওক্রম রতনাবলানা অথোইবা মীথুং, ক্লব অসিগী প্রসিদেন্ট সোরোখাইবম সনাজাওবনা থৌরম মপু অদুগা কৈরক ৱাবগাই জিল্লা পরিষদকী মেম্বর সলাম ধনবির, ৱাবগাই জি পিগী এদমিনিষ্ট্রেটিভ কম্মিটিগী চিয়ারপার্সন য়ুম্নাম হেমচান্দ, কৈরক ৱাবগাই জিল্লা পরিষদকী মেম্বর ওইরম্বা ময়াংলম্বম জয়েন্তকুমার অমদি সোসিয়েল ৱার্কর ময়াংলম্বম চন্দ্রমনিনা ইকায় খুম্নবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি হায়রি।

SL/Sush/17 July -Jan-16

# ইশাগী য়ুমদা লাংবন হৈশোই তম্বা য়ানবা শীনবিয়ুঃ এম এস সি

মোইরাং, ওক্টোবর ১০ (এসএনএস)ঃ মথং চহীগী লাংবন হৈশোই তম্বগী থৌরম ইশা ইশাগী অশেংবা য়ুমদা পাঙথোকপা য়ানবা লৈঙাক্লা শীনবিয়ু হায়না মৈতৈ সোসাইটি চুরাচান্দপুর (এম এস সি)গী জেনরেল সেক্রেটরী এন রামেসনা ফোঙদোকখ্রে।

এম এস সিনা শীন্দুনা এল দি এগী লোক্তাক ইনলেন্দ ৱাটরৱেজ সেন্দ্রা মোটোর বোট পার্কিংদা ঙসি লাংবন হৈথাবা লাংবন হৈশোই তম্বগী থৌরমদা এন রামেসনা মখা তানা হায়, ইরাং অসিনা হৌরকপদগী ইশা ইশাগী য়ুম থাদোক্তুনা রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌদুনা লৈরকপা চহী ৪ ফারক্কদৌরে। ঙসি পাঙথোক্লিবা থৌরম অসি রিলিফ কেম্পতা লৈবা হৌজিক্লা লৈখিদ্রবা মরুপ মপাং অহল–লমন অমদি অথৌবা অথৌবী কয়াগী মফমদা লাংবন হৈশোই তম্বা অসি পাঙথোকপনি। চহী খূদিংগী ওইনা মৈতৈগী চৎনবী লাংবন থা অসিদা ইপা ইপুশিংগী হৈশোই তম্বা অসি অদুমক তৌদুনা লাকই। মতম অদুদদি ইশা ইশাগী য়ুমদা নীং তম্না থৌরম অসি পাঙথোকপনি অদুবু হৌজিক্তি রিলিফ কেম্পতা লৈরিবশিংগী ওইনদি ইশাগী য়ুমদা পাঙথোকপা ঙমলক্তবসি চহী অহুম শুরে। অদুনা মৈতৈ সোসাইটি চুরাচান্দপুরনা মপূং ওইবা থৌদাং লৌরগা ঙসিগী লাংবন হৈথাবা লাংবন হৈশোই তম্বগী থৌরম অসি পাঙথোকপনি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা সোসাইটি অসিগী মরু ওইবা থৌমীশিং অমসুং তোঙান তোঙানবা মফমদগী লাকপা রিলিফ কেম্পতা লৈবা মীওই কয়া শরুক য়াখি হায়রি।




**Space Coaching Centre**
Kwakeithel Heinoukhongnembi Near RM school.
HURRY ADMISSION OPEN HURRY
REVISION COURSE FOR CLASS X
# ALL SUBJECTS # RESDENTIAL MODE
STARTS ON 12TH NOVEMBER
HINDI TUITION CENTRE
SPOKEN HINDI COURSE 3 MONTHS
TUITION CLASS FOR ALL V-X
CONTACT -7005285138/9615455360




SL/ 5651/8-14

**SLOPELAND COLLEGE OF TEACHERS EDUCATION**
Accredited by NAAC with B-Grade
Recognised by NCTE, Affiliated to Manipur University
UGC recognized 2(f) & 12B
Salt Village, B.P.O. Khongjom, Manipur-795148

**M.Ed. ADMISSION NOTIFICATION**
Dated: 23rd September 2026

No. 02/Adm./SCTE-M.Ed./2025. It is hereby notified that application forms along with prospectus for admission to M.Ed. (2026-28 batch) Programme of the college shall be available during office hours.

- Date of Admission Form available at college counter : 24th September 2026
- Last date of submission of dully filled in forms : 30th October 2026

Eligibility: Minimum 50% marks in B.Ed./B.A. B.Ed./B.Sc. B.Ed. B.El.Ed./D.El.Ed. Candidates who have appeared B.Ed. Semester IV Examination 2026 of the Manipur University may apply. There shall be relaxation of marks/reservation as per rules laid down by Manipur University/NCTE.

Criteria for Selection: Merit List for Admission to the M.Ed. Programme shall be made on the basis of Qualifying Exam.

SL/KK/9,10,11
Principal
Contact No.: +91 9615965922

# দিল্লি পুলিসকী থৌওং মীয়ামগী দেমোক্রেটিক রাইট খোঙ্গোইনবনিঃ সি পি আই

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১০ (এসএনএস)ঃ ন্যু দিল্লিগী জন্তর মন্তরদা ক্রোকোস জনতা পার্টি (সি জে পি), লেফ্টকী মহৈরোই অমসুং য়ুথ ওর্গনাইজেসনশিংনা চীফ ইলেক্সন কম্মিস্নার গ্যানেস কুমার মফম থাদোকহন্নবা পিছফুল দেমোন্সট্রেসন ঙসি পাঙথোক্লবা মাঙজৌননা লাওথোকখিবনি। অদুবু দিল্লি পুলিসনা অয়াবা পীখিদবা অমদি দেমোন্সট্রেসন অদুদা য়াওবা লাকপা মহৈরোই অমদি নহারোল কয়া ঙরাং অহিং মখোয় মখোয়না লৈবা হোটেলশিংদগী ফাখিবা অমদি লুচিংবা কয়াবুনা হাউস এরেষ্ট তৌখিবা থৌওংবু সি পি আই নেস্নেল সেক্রেটরিয়েটনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে। লোয়ননা মীয়ামগী শান্তি ওইবা খোঙজং নমথনবা দিল্লি পুলিসনা থৌরাংখিবা অদু মীয়ামগী দেমোক্রেটিক রাইট খোঙ্গোইনবনি হায়রি।

সি পি আই ষ্টেট কাউন্সিলগী চেরোল অমনা হায়, ঙসি পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌরিবা দেমোন্সট্রেসন অদুদা শরুক য়াগদবশিং লাক্তনবগীদমক ন্যু দিল্লিদা থুংলগদবা ট্রেন সার্ভিস ১৫০ ঙসি নুংথিল পুং ২ ফাওবা কেন্সেল তৌহনখি অমদি মেট্রো ষ্টেসন ৫৭ রোম থিংজিনখিবা থৌওংবুসু মীচম মীয়ামগী দেমোক্রেটিক রাইট খোঙ্গোইনবনি।

ইন্দিয়ান কন্সটিট্যুসনগী মখাদা মীপুম খূদিংমক মান্নবা হক পীবগা লোয়ননা রাইট টু এসেম্বল অমসুং রাইট টু প্রোটেষ্টনচিংবসি ফন্দান্টেল রাইটনি হায়বা লৈবাক অসিগী সিটিজন পূম্নমক্লা খঙনরিবনি। অসিগুম্বা মীচম মীয়ামগী ফন্দামেন্টেল রাইটশিং কন্নবা লেফট পার্টিশিংগী ষ্টুদেন্টস অমসুং য়ুথ ওর্গনাইজেসনশিং অমসুং ক্রোকোস জনতা পার্টিনা জন্তর মন্তরদা দেমোন্সট্রেসন চথবদা দিল্লি পুলিসনা অথিংবা থম্ফম থোক্তে। ঙরাং অথেংবা ফাওবগী মনুংদা ফাজিনখিবা মহৈরোই অমদি নহারোলগী লুচিংবশিং কন্দিসন অমত্তা য়াওদনা থাদোক্কদবনি হায়নসু অকনবা দিমান্দ তৌরি হায়রি।

# সঙাই ফেষ্টিভেলগী থৌরাং হন্দোক্কদবনিঃ অমকিল

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১০ (এসএনএস)ঃ মণিপুর লৈঙাক্লা সঙাই ফেষ্টিভেল পাঙথোক্লবা অমদি টুরিজম চাওখৎনবা হোৎনরিবা অসি অফবা খোঙথাং অমনি। অদুবু হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসি য়েংলগা ফেষ্টিভেল পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌরিবসি হন্দোক্কদবনি হায়না অপূনবা মণিপুর কনবা ইমা লূপ (অমকিল)না ফোঙদোরক্লি।

অমকিলগী জেনরেল সেক্রেটরী এনজি প্রভাবতিনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, চহী অহুম হেঞ্জিল্লক্লবা খূৎশেমগী লান অসিদা মশাগী মরমদা রিফ্যুজি ওইনা রিলিফ কেম্পশিংদা চঙজফম লৌদুনা অৱা চৈথেং মায়োক্লদুনা লৈরিবা য়েলহৌমী ইচিল ইনাওশিং বফর জোন হায়না খায়দুনা চঙথোক চঙশিন য়াদ্রিবা, নোংমা কাংদনা নাগা অমসুং কুকিগী মরক্তা চথরিবা লান মরক অসিদা সঙাই ফেষ্টিভেল পাঙথোক্কনি হায়বসি য়াবা ঙম্লোই।

রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা য়েলহৌমী ইচিল ইনাওশিং হান্নগুম মশা মশাগী ময়ুমদা হঞ্জিলহন্দুনা বফর জোন লৌথোক্তুনা মীপুম খূদিংমক চখোক চৎশিন য়াবা, হায়ৱেশিংদা ফ্রি মুভমেন্ট য়ারবা, ইং তপ্পা, তঙদু লৈতাবা খুন্নাই অমা ওইরক্লবা মতমদা ফেষ্টিভেল অসি পাঙথোকপিয়ু হায়রদুনা কোকোমিনা চঙশিল্লকপা খোঙজং খূদিংমক্তা অমকিল্লনসু চাউনা শরুক য়াগনি হায়রি।

## য়ুম চিংজরি

যুম, শঙ্গোই, কৈ, ফুরা, মন্দির, চাকশঙ চিংবা, থাঙ্গৎপা, মমায় লৈথোকপা, হান্না লৈরিবা য়ুমগী মওং মতৌ ফিভম মুর্ত্তি কায়দনা অদোমগী অপান্বা মওংদা থম্বা য়ারে। কনাগুম্বগী য়ুম, শঙ্গোই, কৈ, ফুরা, মন্দির চাকশঙনচিংবা চিংবা, থাঙ্গৎপা মমায় লৈথোকপা পাম্বীরগদি মখাদা পীজরিবা Contact No.অসিদা Dial তৌবিরক্তুনা অকুপ্পা মরোল খঙবিবা য়াগনি।

# 7005335710
# 9366616515

খঙহঞ্জরিবা
Head Mistry
Ningthoujam Sanouton Singh
Heirok Part-II, Mayai Leikai

SL/5706/11

SL/Sush/Alt 8-8

**APOLLO ACADEMY**
APOLLO ACADEMY 2009
Kwakeithel, Akham Leikai, Near AMUCO Office
8258013846
REGISTRATION OPEN for CLASS 10 & 12/SC REVISION COURSE
Course Starting (Tentative): 30th Oct '26

| Category | Board | Subjects |
| --- | --- | --- |
| Category (A): | COHSEM (class 12sc) | Eng, Phy, Chem, Bio, Maths & MM |
| Category (B): | BOSEM (class 10) | Eng, MM, Sc, Maths & S Sc |

Registration going on for CUET(UG)-27
TARGET: 100% pass percentage along with A+, A, B+ & B
★★ RESIDENTIAL FACILITIES AVAILABLE (BOYS & GIRLS) ★★
COURSE DURATION: 75 days
For Early Bird offer of 20%, please do enrol before 20th Oct '26
FOR REGISTRATION: Please visit Apollo Office (6AM – 9AM & 2PM – 6PM)
APOLLO ACADEMY – COMMITTED TO EXCELLENCE

# হং–লাই খুবাক ঈশৈ উৎখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১০ (এসএনএস)ঃ সঙ্গীট নাটক একাদেমি ন্যু দিল্লিগী মীৎয়েং মখাদা মোপ্পেট দেকোরেসন কলচরেল সেন্টর য়ুম্নাম হুইদ্রোম থিয়াম লৈশাংখোং ইম্ফাল ৱেষ্টনা শীন্দুনা মণিপুরী ট্রেদিস্নেল ষ্ট্রিম পুপ্পেটরি (হং–লাই) খুবাক ঈশৈগী প্রদক্সন অমসুং ট্রেনিং কম এগজিবিসন চৎলিবা থা অসিগী ৩ দগী ৭ ফাওবা পাঙথোকপগা লোয়ননা থিয়াম লৈশাংখোংদা লৈবা জি জদু শর্ম্মাগী মান্দবতা হংলাই খুবাক ঈশৈ উৎখ্রে হায়রি।

মোপ্পেট দেকোরেসন এন্দ কলচরেল সেন্টরগী সেক্রেটরী জি বসন্ত শর্ম্মাগী দিরেক্সন মখাদা গুরু অহুম হায়বদি এল খাব সিংহ (পুং), জি জুগেশ্বর শর্ম্মা (পুপ্পেটরি) অমসুং টিঐচ অচৌ সিংহ (নট সঙ্কীর্ত্তন) য়াওনা আর্টিষ্ট ২২ না প্রোগ্রাম অদুদা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা এম দি সি সিগী প্রসিদেন্ট জি সনাতোম্বী শর্ম্মনা থৌরম মপু, এল বিহারি সিংহনা অথোইবা মীথুং, থোংখোং লক্ষ্মী বজারগী কাউন্সিল্লর ওইরম্বা ৱাই জমুনা দেবীনা অখন্নবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি হায়রি।

SL/Sush/3,5,7,11,22

চাকঙাই ৱারী–৩৮

ঙানু থেঙ্গু

অইবা অমসুং অয়েকপা নোং লান




# অসলামু অলৈকুম



সলাম অমসুং দুআগা লোয়ননা মোহাল্লাহ অসিগী নামজি হজরটশিংগী মফমদা করিগুম্বা ৱাফম অমতং খঙহঞ্জরি মদুদি সোরা মদ্রাসা হুসাইন্যা মনিংদগী মোহম্মদ অব্দুল্লহগী নুপী মিসেস হীনা বেগম হৌখিবা তাং ০২।১০।২০২৬ ইরাই নুমিত্তা লৈখিদ্রে। মরম অসিনা লাক্লিবা তাং ১৬।১০।২০২৬ তা থৌ পাঙথোক্কনি অদুনা মৌহাল্লাহ অসিগী নমাজি হজরত শিংনা ময়াত অসিগীদমক্তা মতম চানা লাকপিদুনা দুআ য়াওবিনবা সলামগা লোয়ননা পাউচেগী থোঙদা পাউজেঞ্জরি।

পাউজেঞ্জরিবশিং ঃ
লবুকতোংবম অব্দুল্লাহ
লবুকতোংবম রোশিনি
লবুকেতোংবম জাভেদ অসলম

SL/B/(Kak)/11

সোরা মদ্রাসা হুসাইন্যা মনিং।

**GAS TODAY**
Tanglei Gas, Oinam
Booking up to : 20/07/26, Valid : 17/07/26, Stock - 342

## অখন্নবা ৱারেং

# অনাবা হংবা

### মাইবম নবকিশ্বর

পান দুকানদু ঙাচঙ হন্দ্রি। শক্কা, ফিজেৎকা ৱাঙাং–শাঙাংগনরা খঙদে। ঈকারকপগী ঈনৌ পান্বা ঙা কয়ানা লুমাঙদা খৎপগুম, মখে লাংলি পান দুকান মমাঙদা জর্দাদা খৈনিদা ঙাওজবা নহা অহল কয়া কয়া। মবুক লুবা, মোংদনা ঈচেলদগী থৈনা চৎপা ঙাগুম্বা মীয়াই চল্লবা মীওই কয়া অমসু য়াওরি। মতম্না পুরকপা অহোংবনি কনানা থিংলুবা ঙমগনি। অকনবা, অথিংবা মতম অমা লৈরম্মী–মচিন থুগায়বা, উবগা জর্দা ওদ্রিবা ফাওবা ফুবা, মখোয়দুসু মতমগী ঈরোন্নুংদা লুপখ্রমাল্লে, উখিদ্রে। হৌজিক মচীনবান ঙাঙদবা, মখজাই পেথোক্তবা, মখদাং নোমদবা জর্দাদা লুপ্তবা মৌ উবা ইফং ফংদ্রে। কাচিন কোয়াদা খরবুদি লৈরিব্রা। অহল–লমন্না লাই নীংঙু হায়নবা মতম অহুম (ত্রি সন্ধ্যা) অয়ুক, নুমিৎয়ুংবা, নুমিদাং জর্দা নীংবনা শিনখ্রে। শরিক খিংদে হায়বদা মঙায়রে। কাং শিদি ইমা–ইবেলশিংনা মরক মরক্তা খিংলি। অমুবা শমগী খংব্রে মনম, অঙাংবা শমগী শম্পু মনম্না, কনা খঙদা তপ্না তপ্না শিনখ্রে। নুংশিথোইগী পান দুকানসি লৈবীনবা য়াম্বনা ফনা য়ান্না চাউখৎলক্লে। চাউখত্তবসু য়ারোই মরমদি মচা পীক্লি, অনীতনি, লুনিং শৎপা ঙস্বা য়াওদ্রি।

চন্দ্র কয়াদা লাইবক ফখ্রপোৎনো। লক্ষ্মী চেনবী পান দুকান ফম্বা হৈবী নুপী অমা লৌরুবসি মরাইবক্তা থম্বাল শাৎপগা চপ মান্নরে। লৈত–লৈত নুংশিথোই পাম্মনবদগী লৈজবা লৌচা শঙম অমা য়োন্থোক্লগা লুহোংজরুবনি। লৈকাইনা হায়নৈ–'করম্নো করম্নো ঙাওরেদনা চন্দ্র পুন্সি চুপ্পা চাগদবা লৌফমগা নুপীসিগা শিন্নরিবা অসিবু জগত্তা মামুক পঙবা অনী শুরমগদ্রায় নুপী অসুক য়ান্না হোং লবা মতমসিদা পামই হায়দুনবু তুংগী ৱাখল ইখন খন্দবা নিপাসিবু করি পাদানো হায়বা।' অমনা অমুক হেক হায়– 'য়ূম পানগনি পাল্লোইসু খঙদ্রিবা নুপীসিগীদমক লৌ হেক য়োনবা ঙম্মীদা। হয়েং অকনবা অনাবা অমা য়াওরক্লবদি লৌদি য়োনবা য়াই, নুপীদি করম য়োনগনি। চন্দ্রসি ময়ুম মপাল্লগে মহায়রবদি ঐগী ইশুনুপী মশকসু ৱাত্তবী, তলবসু চাবী, চহীদবু খরা ৱাংলে হায়বনি, মশাসু য়ূম লাল্লগেতা হায়রিবা ইশুসিদা খজিত্তং থেংলল্লবদি ঐখোয় ময়াম চঙদুনা হোং লোইদ্রদো। খঙদে খঙদে নুপী থিবা লাইনা তম্বনি ঐখোয়না শীনবা য়রিব্রদো।'

পান দুকান ফম্বগী চন্দ্রগা মাগী লোয়নবী নুংশিথোইগা মরক মরক্তা অমুক অমুক লাঞ্জাও থোক্লে। করিসু লৈতবা ৱাহৌদগীনি। নহা ওইবগী হৌনশানি, অহল ওইরক্লগা অদুম মাঙজখিগদবা লায়নানিদা। চন্দ্রনা পাল্লিবনা ফরে ক্বাদু চারো ঙাইহাকসু লাঙঙো, অদু নত্তবা চাবা লোইদ্রিবা ফাওবা লাঙবা, অমুকসু লৈদুনা চারে অদুসু লোইদ্রিবা ফাওবা চাবা ময়ুমদা মথৌ লৈত্রব্রা? অসিমা। চাবা লোইদুনা চৎখ্রে, ফরে চৎখ্রসনুদনা অদু নত্তবা খোঙকাপ অনী মরি থাংদোকখ্রগা অমুক য়েংশিল্লকপা অদুনা করি চীখরম্বগীনো নৎত্রগা নুংশিথোইগী শক্তম হূদুনা য়ূমদা পুখ্রগা করিদা শীজিন্নগে হায়রিবা? লোয়নবীনসু পোৎ তম্লে, পীয়ু পীরে, পৈশা ফংলে, চাগদবা চাখ্রে। লোয়রেদনা, মদু নত্তবা অমুক মচা লাইরিক তম্বা চৎখিবদা নুংশিনা য়েংহৌবগুম য়েংহৌরিবদুনা করি হায়নিংবা ৱাৎপগী য়েংলিবা মীৎয়েংনো? অঙাংদা তৌবগুম মমায় মখূৎ চুপখিগে হায়রিব্রা অসিনসু মতে মনাওগী লাঞ্জাওগী মরম অমা হেক্তা ওই।

নুংশিনখ্রবা মতে–মনাওনি, খম্নবগী ৱানি। হৌজিক মচা অনী শুরবা ফাওবা, চন্দ্র চাকখুমদা য়েন্সাং শেম্বা তোক্ত্রি।

নোংমা চন্দ্রনা হায়, 'নঙ কেমনখ্রে ঐ নুংশা থিরক্লেকো।'

নুংশিনবনিনা লোয়নবী নুংশিথোইসু তনখুম হেক্তা খুম্মী, 'ইশা খরা নান, ফিশেৎ খরা কোম, চৈইঙাঙ খরা ঙাঙ, মীৎচিনা খরা য়েং, খরা নোক তৌদ্রবদি কনানা পোৎ লৈবিনিংগনি। মসিনা ঐগী থম্মোয় হেক ফুকপদি মত্তিক্লদো। নহাক লৈরি ঐ কাউদেকো।'

মরক থৎনা চন্দ্রনা মখা খংতা তাই, 'ফরেনে, ফরেনে নকে শেম্মো, নশা নাল্লো পোৎশিৎ ফনবা, অদুবু অনানবা পোৎসি খূৎনা পায়নিংবনি, মতু নানবা হুই হৌদোং ফাওবা খূৎনা নান্নিংবনি অসিমদি কাউদবা ফৈ।'

নুংশিথোই শাওরপ্না তেন্না খুল্লকই, 'মশা নাল্লি হায়দুনা মবুক খঙদনা হুই হৌদোংদা নাল্লুরবদি চীকপা তাবা, খোৎপা তাবা, খঙবিরবরা?'

চন্দ্র লোয়নবীগী ৱাহৈসিনা খরা খরা শাওবা ফরকপগা লোয়ননা অহানবা লাঞ্জাও লোইখ্রে। ইংনা–চিক্না অমুক লৈমিন্নরে। থা খরা লৈরগা অমুক কদোমদগীনো খঙদে অতোপ্পা লাঞ্জাও অমা অমুক শৌগৎলক্লে। মরম ইচা হেক চাদনা মপাম চৎখ্রগা গাড়ী ফংদে হায়দুনা অহিং লেক্লকপগীনি।

চন্দ্রগী লোয়নবীসি নিংশিথোইনি। নুংশিথোই হায়বা মমিংসি মীনা কৌবদা চন্দ্র থোইনা শাউদে খূৎকৌদুনি চন্দ্রনা চাক্লিবা। অমরোমদনা নুংশিথোইনা খুল্লিবা খূৎখুমদনি চন্দ্রনা মবুক্তা য়েকইবা। ইবেম্মা নুংশিথোই, ইতৈমা নুংশিথোই, ইচে নুংশিথোই, ইচল নুংশিথোই চুম্না কৌ করিসু কায়দে, মদুনসু অদুম চৎনবা ময়ারিবনি। মদু নত্তবা নুংশিথোই হায়রকপদনা য়ান্না মচা খায়না, থম্মোয় শোক্লা দ্রামাগী খূৎকৌদা– 'নুং–শি–থোই', লোয়নবীনসু তাদা, মাম্মা, ইচে, ইতৈ হায়না খুল্লগা লোয়রবদুবু তৌদবা য়াদে মতাগুম মরৈ কোল্লগা– 'তা–জ–র–ব–দো, করি পাম–সি–গেদো।' । মসিদনি চন্দ্রনা হেক হেক লাউরিবা– 'দ্রামা তম্ফমসি তোয়শিল্লক্লবদি ক্বাগী মহুত্তা থাঙ ওইনা চানরক্লগানিকো'। ৱাহৈদুগী লোয়নবীনা খাম্বগী লাঞ্জাও কয়া অমা।

মীৱা ঙাংনবা পাম্বশিংনা নুংশিথোইগী পান দুকানসি অসুক য়ান্না থুনা চাউখৎলকপগী মরমদা লৈপুং ফমদুনা ৱারেম ঙাংনৈ। 'মাগীসিবু অরোনবা অথিংবা পোৎ য়োল্লবা জাৎলা নৎত্রগা অরোনবা মহাজন লৈরজাৎলা খঙদে।' মখল–মথেলনি ঙাঙনরিবা। তৌবগীদি নুংশিথোই মবুক–মপাউ ফৈ, মশক মতৌ ফজে, মরাশি–মগুণ লৈ, ৱাঙাং –ৱাতা তানিংই, অমরোমদনা মরাশি শোন্না উবনা মীনা হায়রিবমখে য়াগদবা, থেল্লগা হেক্তা পীথোক্লক্কদবা মানবা মায়থোঙনি। অদুবু হায়রু থেল্লুবা কয়া মায়থিদুনা তোকখিবা কোঙ্গায়নি, হেঞ্জিনবা ইঙম ঙমদে। কনাগুম্বা অমনা মঙোন্দা– 'নঙসি নশক্লে–নতৌনে ঐগীকা...' হায়রকপা লোইদ্রিঙৌদা, 'তোকসিদা ওইবা য়াররোইদৌবদু।'

অমনা অমুক, 'শেল থুমকা চিল্লবসু...' মরক থৎনা নুংশিথোইনা, 'অমদা শান্দোকপীবনা লেমগনিদা।'

কনাগুম্বা অমনা অমুক, 'ফে নঙ অমুত্তংদি।' নুংশিথোইনা, 'থৌনাদু হোং দোকপীয়ু শিবসি পাম্বীরুনু হায়জবনি।'

মসিনি নুংশিথোইগী ৱাঙাং, হেঞ্জিন্না হায়রুবদি লিন মমৈ খোঙনা নেৎপগুম থোক্কনি হায়বা ময়ান্না খঙই। নুংশিথোই য়ান্না শিংবী নুপীনি মীশিংসি উবদদা মবুকসু ইরায় লায়না খঙবা ঙম্বগী শক্তি লৈ।

ক্বা তপ্পা পীবা য়েংবদা নুংঙাই। ক্যুনি লেপ্লিবসি। হাইফেৎ মীৎতুনা হাইরমই, অদুদগী খূৎতুনা তাপ তাপ কন্থোকপগা তৈবগা, হাপ্পগা, নীকপগা, চাইবগা, পীবগা, মাগী খূৎকী মিত্রং য়েংলিঙৌদা ক্বা পীরি খঙহৌদে।

ঙাইহাক লৌবা কান্নবদা নোক্লগা হায়রক্কনি, ' আ–স লুপখ্রেদনা। কমদৌনি সিদি। লায়েংহৌবা য়ারে।'

ক্বা তপ্পসিমা মাগীদি ক্বানা নম্বনি, মানা কথা চাবনি, শুনু চাদবনি, মীথানি, জর্দানি ওন্থোক্লা খঙখ্রবা পোৎনি, অমত্তা লান্নদে, অমত্তা ওন্নদে। ঙসাইমখে মাগী পালি ঙায়রম্বা পাখঙ অমগী মতাং থোক্লে। নুশিথোই মীগী ক্বা মতপ মরি মঙা তপ্তুনা লৈ।

পাখঙদুনা শাউনা হায়রকই, 'ঐগী ক্বা তপ্তনা মীগী অসুম তপ্লিবসিবু তৌরক্কনুকো অরেম্বদা পান দুকান... চাইনিকো।

নুংশিথোইনা থেল্লক্কনি, 'শাওগল্লিদা ইবুংঙোগী লোয়নবী ৱারনিসে। ইবুং ঙোগী মমাঙদা ঙসাইনা গাড়ীগী হোর্ন খোংখ্রে, য়াদদুনা তৌবনি লোইরে, লোইরে। ঙাইঙমদবা তৌগনু অহোং অচাও ফংনবা।'

তাঞ্জাসিদা গাড়ী অমা দুকান মমাঙদা লেপই। নুংশিথোইনা শাওরিবা পাখঙদুদা মখা তাই, 'ফজবী লোয়নবী ফংবা ওইরসনু ইনাওগীদি, ক্বাসিদা গাড়ীসিদা পীবিয়ুদা। হঞ্জিল্লকপদা ক্বানা ঙাইহঙ্গরগে।'

পাখঙদু শৌগৎলকপা শঙ্গোমদা ঈশিং হৈজিনখিবদু ঙায়, ক্বা পীখ্রিঙৌদা নুংশিথোইনা শোল্লি, 'ত–স শাউখোদনা।'

মীওইবগী লাইবক তম্বা ঙমদে। নিংথৌনা লায়রবা ওনবা লায়রবনা ফুরা দলান শাগৎলকপা কনানা তম্বা ঙমগনি। চন্দ্র নারে। লায়েংবদা দুকানদু মবুক ইহাপ হাপ্লে। ইম্ফালগী রিমসতা য়েংবনি। চখোক চৎশিন ভারা –নুংলা চেঙৱান–ফৌৱান তোয়শিল্লক্লে। অনাবদু ফরক্কদ্রা ফরক্কদ্রা হায়রগা হৌজিক শ্বর তংখায় হোল্লে, তঙ্খায় অমনা ওক্সিজেননা শিল্লে। খরগা লাইমগা পৈশা পুথোক পুশিন তৌরগা হৌকি ফাওবদি হিংলি, কুইগদবা মান্দ্রে। অনাবনা নাখ্রবসু নাদবা মী চঙই। চন্দ্রখোয়গী মী তাঙই। মরী মতা শুরে অনাবা সেবাদা রাউন্দ অনী অহুম থুংনবা য়াওরে। মরকসিদা নুংশিথোই ৱাখলদা মশক ওল্লে। মচা খায়না মমিং কৌবীরম্বা পুন্নমক থিবা ফংদ্রে। পুন্নকসিগী মথক্তা লায়েংনবা শেল করমনা কনাদা হায়জরুনি। মপুরোইবা কন্নিংবগী ৱাখলদি লেপ্পা লৈতে। ডোক্তরনা ওপরেসন অমা তৌরবদি শোয়দনা ফগনি হায়। লুপা লীশিং কুন্দি চঙদবা য়ারোই অসিনি। নত্ত–নত্তবা ৱাখল খল্লকই। নুংশিথোই কুনগীদমক মহাক করি য়োনগনি। য়েনহৈদবা য়োল্লসিরা নৎত্রগা মচাশিংগা লোয়ননা শিদোকখ্রসিরা? মপুরোইবগী মনাক্তা লৈদুনা সেবা তৌগদবসু য়ূমদা অঙাংশিং থাদোকপা য়াদবা। ৱাখলশিং অসিনা মশাদু ইতাও তাউরে, ইঙাও ঙাওরে। ঙসি মঙা তরুক্লি শুরে অনাবগী মনাক্তা মনাওনপী অমগা মৌপ্পা অমগনা হোস্পিটালগা লৈখিবা। মরকসিদা নুংশিথোই পৈশা পুবা কোয়চেন চেল্লি। মপুরোইবা ওপরেসন তৌদবা য়াদে অসিনি। দুকাননা মপাল ফরিঙৈ মশানা অকে অমৌদা তাউরিঙৈ কয়াৎশিংনা তিক তিক লাউরিঙৈ পোৎশিৎ ফরম্মী পৈশাগী অৱাবা লৈরোইদবগুম খল্লম্বনি। হৌজিত্তি পুন্নমক তাইওন্নরে। হৌজিক্তা নুংশিথোইনা খল্লিবসি ইজৎ অমদি পৈশা, পৈশানা ঙমদবা লৈতে– চুম্মী। অদুদি পৈশানা ইজৎ লৈবদি য়ারিব্রা? য়ারোই, পৈশানা মপুরোইবা কনবদি য়াগনি। ৱাখলসিনা নুংশিথোই ঙাওই।

নুংশিথোই চঙজফম থিরকপদা কনাদা তাই, মাধবতা তাই। মাধব পৈশা পায়, গাড়ী লৈ, মপুরোইবগীসু মরুপনি, হায়রুবদা হরাও হরাও য়ারক্কনি হান্নদগী খঙই। হায়নিংদবা অমা লৈবনা হায়বা ঙমদদুনা কুইনা খাঙলকপনি। মদু করিনো নুংশিথোইনা খঙই। কয়াদা লুখ্রবা মবুক্লো তশেংবদি মাধবনা য়ান্না মিতানা নুংশিথোইদা য়েংবা মীৎয়েংদুনি। মপুরোইবনা থোইনা খঙউ–উরুবা লৈতবনা মবুক্তু ইচম চমনা মখল্লি। মবুক খঙদনা মরুপ ওইবা লুরদ্রদো।

মাই, মাই লাইমাঙ য়ৌই। মাধবকী মনাক য়ৌরে নুংশিথোই মপুরোইবা নাবা, ওপরেসনগী চঙগদবা পৈশা পুন্নমক্কী ৱারী তম্মুরে। কয়া থুনা য়ারকখ্রে মাধব, হায়রকই, 'মরুপনি চন্দ্র, অনাবা হংবা চৎকনি, খঙদদুনা তৌবনি, থেঙবা ঙনবা ঐঙোন্দা লৈতে, গাড়ী লৈ। শেল–থুমগী ৱারুনু, মরুপ কন্দবা য়াদে লোইশল্লুরো ঐ লাক্লগে।'

ৱাহৈশিংসি ইচম চম্মী, অকায়বা করিসু য়াওদে, অদুবু নুংশিথোইগী মফমদদি মাধবনা য়ান্না থুনা হরাও হরাও নংহৌররোই মতাগুম য়াবীরকপা অসিদা নুংশিথোই অশাংবা শ্বর অমা শাংনা হোন্থরগা অতিয়াদা য়েংখৎলকই। উই–ইচম চম্বা, দোষ পক্ত্রিবা অপাবা অঙৌবা লৈচিলগী পরেংনা থাজবু খুমদুনা চিংলি। মমৈদা য়াল্লক্লিবা অমুবা নোংগী মপৈনা অমুত্তং থাজবু খল্লক্কনি হায়বা নুংশিথোই খঙই। অমুবা নোংগী মপৈসি হুমদোকখিনবা নুংশিথোইগী থৌনাদি মমি শাল্লক্লে।

মাধব নুংশিথোই রিমস য়ৌরে। নুংশিথোইনা মচা অমা পম, অমদুনা কাফে কাফে মখুৎ শম্বীরগা চঙলকই। মমৈদা মাধবনা কাফে কাফে চৎলম্বা অঙাংদু পমখৎখ্রে। নুংশিথোই অঙাং পূবগী অৱাবা খরদি হন্থরে, অদুবু চৎপা মঙম ইশানা শান্দে, মীনা করি ওইনা উরমগনি হায়বা ৱাখল অমা, অমনা মীনা উদবা ৱাখলগী পোৎলুম অমা মকোক্তা পুরি। চন্দ্রগী ৱার্দ য়ৌরে। চন্দ্র ৱানা অনাবগী মৈচাক খাঙলমই। মাধব উবদা হরাও হরাও কৌশিল্লি, নুংশিথোই উবদনা পিগী ঈরা চেল্লি, মথৱায়দি খরা কনখৎপগুম তৌজে। মচা অনী মনাক্তা কৌশিল্লগা ৱানা মখূৎতুনা নানবী। মাধবকা ৱারী ৱাতাই ঙাইহাক শানৈ। মরক্তুদা নুংশিথোইনা মপুরোইবগী মফমদা, মাধবতগী ওপরেসনগীদমক পুরুবা পৈশা, মাগী গাড়ীদা লাকমিন্নবা, মানা হরাও হরাও তৌবীবা পুন্নমক তমজে।

ডোক্তর রাউন্দ লাক্লে। হয়েং ওপরেসনগী ৱারী–ৱাতাই, শেল–থুম, হীদাক–লাংথক, ঈ লৈবা পীবা পুন্নমক শানরে। চন্দ্রসু খা হরাওরপ উখি। মতম খরা হিংখিগদবা মাঞ্জে। মাধবনা চাউরবা মতেং পীবিবগীদমক চন্দ্রনা মাধবপু থাগৎচৈ। অশেংবা মরুপ মপাং হায়বদু অসিনিদনা খঞ্জে। নুংশিথোইসু মপুরোইবগী হরাও মায়থোঙ উবদা মপুক্নিং খরা লৈতাজরে। অঙাং অনীদুদি ৱাবনা চোকথরদুনা লৈমায়দা থাবা ফক অমগী মথক্তা ইশি শিনা তুল্লি।

মাধবনা ৱাফম অমা হৌদোক্লকই। হৌজিক ওপরেসনগী লাঙগদবা তৌগদবা থবক পুম্মকসু লোয়রে। মহাক য়ূমদা হনখিনবা তৌরগে। মরকসিদা হীদাক লাংথক্কী অৱাৎ অপা লাক্লবসু খুদক্তা হেক্তা লৌনবা ফার্মাসিগী দুকান অমা খঙনহৌবা ফৈ। লৈরগনা করিসু কায়দে। লৈত্রগনা ইবেম্মা নুংশিথোইদা শীন্নজরল্লগে। অসি ফাওবদনি চৎমিন্নরুসিরা, নকখ্রবা মিনিট মঙা তরাগী মতমদনি। নুংশিথোই মপুরোইবগী য়াকা য়েংই। মাধব লেপতুনা লৈ। মপুরোইবা চন্দ্রনা চৎলু ফৈনা হায়বগী ইঙ্গিৎ পীরে। নুংশিথোই অঙাং অতোম্বদু কপ্পক্লবদি অনাবা মপুরোইবদা খুরৌ থাংলনি, অনাবা শেন্নরিবা মনওনুপী মৌপ্পা অনীদুনসু মশক খঙনদবগী লৌবা য়াররোই কপ্পক্কনি খন্দুনা অঙাংদু পুগদবগী শেম শারি। মদু উবদা মপুরোইবনা অঙাংদুনা হেন্না নখোয়দা খুরৌ থাংলনি মীয়াম মরকসিদা থনম্লো হায়না খোনসিদা লাউরক্লে। মপুরোইবগী য়াথং ফংলবদা নুংশিথোই নীংজিং মাঙজিং ৱার্দতগী মাধবকা লোয়ননা থোরক্লে।

মাধব নুংশিথোই ফনা কুইরে হঞ্জিল্লত্তবা। চিংনবা ফাওরকই চন্দ্র–'করি তৌরে। নকখ্রবনি, কুইরোই হায়রম্বনি। হৌজিক ফাওবা হঞ্জিল্লত্রিবা অসিনা করি খূদোংথিবা লৈরে। ঐগী ইচম চমজবা নুংশিথোই। খুঙ্গংগী নুপীনি শহরগী লৈরক খুল্লক, দুকান–নুংকান খঙবসু নত্তে। মীয়াম মরক্তা মাঙনখিদুনা অমনা অমবু থিনরবা জাৎলা।' ৱাখল মওং মওং খল্লকই। ৱাখল ময়ামসিনা চন্দ্র টেন্সন ৱাংখৎলকই।

নুংশিথোই তহা তহা চঙলকই। হরাও হরাও থোকখিবা লোয়নবীনা ময়াথোঙ মক্না পিরাং চোন্না মপুরোইবা উখিনি মতাগুম মমায় লৈনা লৈনা য়েংদুনা মপুরোইবগী মনাক্তা ফমথৈ মপুরোইবনা হংজে, 'মরুপ্তি?'

লোয়নবীনা খুমজে, 'চৎখ্রে।'

মখা তাদে। ওনশিল্লক্তুনা মপুরোইবগী মখোঙ–মখুৎ, মমায় মমিৎ নান্দুনা সেবা তৌই। মপুরোইবগী মফমদা হরাও মায়থোঙ উৎচরবসু মনুংদা তুহৎপীবা নীংঙমদবা, লায়র–অশোনবগী উপায় লৈখিদবা, নুপী ওইবীগী অশোনবদা নুপানা লাকচ–খুদুম চনখিবগী পিরাং কনানা থিংঙুনি। নুংশিথোই কপ্লক্লে, হীক্লা হীক্লা।

পুন্নমক লোৎশিল্লগা হায়রকই, 'ইবুংঙো ঐনা ঙসি কপ্লিবসে নঙগীদমক্তা কপ্পনি, ঐ খাঙবা ৱারে নঙতা ফরোবা ঐগী পিরাং খকখিনবা, হে নোংদম্বা হয়েংগী ওপরেসন অসিদগী ইপুরোইবা হান্নগুম কনবা ওইহনবীয়ুগবা।'

লোয়নবীগী সেবাসিনা চন্দ্রনা খল্লম্বা ৱাখল হংগে খল্লম্বা ৱাহং পুন্নমক কাউখ্রে। মপুরোইবনা নুংশিথোইবু মথানুংদা কোনশিবীরগা হায়রকই, 'নুংশিথোই নঙনা ঐগীদমক ৱাবসি য়েংবা নুংঙাইখিদ্রেদা, কপ্পদু তোক্লো হয়েংদগীদি ঐ ফরনিদা।'

অসি হায়দুনা লোয়নবীবু নুংশিনা য়েংলগা পোখাফম খঙদনা পুংচাই চাইরমবা নাপ্পা অনীগী শল্লাংশিংদু পাঙ্গল য়াওদ্রবা মপুরোইবগী খূত্তুনা তপ্না তপ্না তুংওইননা তুংলোমদা নাম্থবীরম্মী। নুংশিথোইনা খঙহন–উহল্লরোই খন দুনা লোন্না থিংগৎলম্বা পিরাংগী পল মপুরোইবগী খূৎতুনা ফক্কায়বগুম থোকখ্রে। চেন্থরকপা পিগী ঈরিকশিংনা তাগদৌবগী পাখোং খূদিংদা য়ান্দুনা লৈ। নুংশিথোইনা থিংবা ঙমদদুনা হান্নদগী হেন্না হৌনা কপখ্রে।

ঙাইহাক্কী তুংদা কপ্লম্বা খোঞ্জেল ফাজিল্লগা মায়থোঙদি নোক্লা নোক্লা ৱাহে নীক্লা নীক্লা মপুরোইবদা হায়রকই, 'মাই পাবুং করিসু তৌদেদো। হয়েং ওপরেসন লোইবদগীদি ফরনিদা। ঐগীদমক ৱাবদু কাউথোকপীয়ু। নিপানবু অদুক য়ান্না থম্মোয় শোনবা পকচদেদো। ইবুংঙোগীসু মতম লাকখিনিদা।'

'কাউথোকপীয়ু' হায়বসি ৱাহৈনি হায়বগী হায়নবা ৱানি। নুংশিনবা নুপা নুপী অনীগী থম্মোয়নুংগী নুংশি ঈচেলদি করন্না কাউনগনি। চীনবানগী নমথাক ৱাহৈনা থিংবা ঙমবা নত্তে। তাঞ্জাসিদা অঙাং অতোম্বদু কপ্লকই। নুংশিথোইনা খোল্লাং পীথক্লে হায়দুনা ফিদুপ্তুনা অঙাংদু চাউকোন কোন্নবা শেম শাই। ফিদুপ্তু নাকল নাম্মনা ময়ানা চীক্লগা মখুৎ ওইনা অঙাংগী ঙক্তা কোল্লগা মখুৎ য়েৎনা অঙাংদা খোল্লাং ইল্লি।

অরোনববু কনানা কয়া কুইনা লোত্তুনা থম্বা ঙমগনি। কদায়দগী করি উরুবনো খঙদে। চিংনরক্তুনা চন্দ্রনা অরোইবা খোঞ্জেলদা মখা ক্রক ক্রক চীক্লা, খুদুম চেৎনা তাশিন্না ঙাংলকই,'মরুপ মাধব! অনাবা হংববু অদুম্না হংনব্রা? মদুদি শাতনা তৌগদবনি। শোয়দনা শিরগদবা ঐনি। শাগী নবুকচেলদুনা মরুপ অমগী মফমদা চৎলিবা শাজৎ। ও! পাঙ্গলসিনা থাঙদং থাঙ্গৎপা ঙল্লম্লবদি নুংশিথোইগী কনা লৈবগে খঙলমগবনি।'

অসি হায়রগা চন্দ্র ৱান্থখ্রে।

## শৈরেংশিং

### পঞ্চ ভূত

*– থিংবাইজম কুলমনি*

পূন্সি!<br>
থন্নাথক্কী তরং লাইজনি<br>
পঞ্চ ভূতক্কীদি লমহাংনি ৱাখল লৌশিং<br>
শোন্নরিবা কল্লক তকশি<br>
ইশাগীদি<br>
নুংশিরবা ইরমদমনি,<br>
ঐখোয়বু য়েংদুনত্তা লৈরিবা মহাক্লদি<br>
পামজরি অচুম্বতা,<br>
খঙনদ্রি<br>
করম্বা অঙম্বনা শীনবিরিবা<br>
তাইবং অমা<br>
অসুক ৱারুনবগী<br>
হিংলি মীয়াম ঐখোয়না<br>
নোংমগী লেপ্তুনা কেল্লিবা<br>
হৈনৌ মপাম্বীগী মনা পুম্বগুম<br>
মখোঙদনা<br>
শাজেন্নরি কাওরেল শল্লুপ<br>
মীখলদা মাই পাক্লি<br>
ইশাগী য়ুমদি অমখক্তনি,<br>
অঙম্বা ঙমদবা<br>
অচুম্বা ঙমদবা<br>
অচুম্বা<br>
অরানবা<br>
অমম্বা অঙানবা<br>
লালহৌবা লালহৌদবা পুন্নমক্কী।

### তিন কাঙ

*– ক্ষেত্রি রাজেন*

নোংথি নোংমঙবা<br>
অহিং অমসুং নুংথিল<br>
মনিং তন্নি তিন কাঙ<br>
মচিন্দা চীক্লদুনা পৃথীবি ।।<br>
সহরগী গলিশিং<br>
নারক মোংশোঙ<br>
শান্নে কোয়পায় পায়দুনা<br>
শাগী খোঞ্জেলগা ।।<br>
চাইরি<br>
নমথিবা ঈচেল মরক্তা<br>
লেপ্পা লৈতনা মথৱায় য়াওদ্রবশিং<br>
মশানা য়ানা অমসুং য়াখিদনা<br>
তিন–কাঙ ।।<br>
শিৎলি নুংশিৎনা<br>
মায়কৈ খঙদা<br>
মদুদা য়াওশিল্লি মখোয়<br>
নোংথাঙগী মঙালদা<br>
চোংশিল্লি খংপ্রেক খঙনা<br>
কেনখ্রবা থৱানগী লম্বীদা<br>
ঙরাংগী অপিকপা মরু<br>
ঙসিগী অচৌবা সনা খোঙনাং<br>
মখোঙদা য়ানথৎলবা উপাল<br>
হয়েংগী অকঙবা দৃশা<br>
মদুগী মচুদা মখোয়।

### পুক্নিং লৌশিং

*–আর কে মীনা*

ঙসি নোক্লম্বা হয়েংদি<br>
করি ওইগনি খংদে।<br>
অহোংবা নাইবা তাইবংনি<br>
অরেম্বদা মতম মাংহনগনু।<br>
থাংজিল্লক্লিবা খোঙথাং মশক খঙসি<br>
কোক শেংদোকসি ইংহনসি<br>
অনৌবা জ্ঞান ফংনবগীদমক।<br>
ইশানা ইশাবু মাংহন্নবা হোৎনরোইসি<br>
মাংবা য়াবা মতম মাংখরে<br>
ৱাখরে লোইখরে শিখরে।

ওইদবা ঙাংবা হায়বসিনা<br>
মীওই কয়াগী পুন্সিবু লৈখা তাহল্লি।<br>
ঐ ঐগী ফনবনি খল্লবসু<br>
ওইদ–পদবা ৱাদি ঙাংদবা ফৈ।<br>
ফত্তবা ৱা য়ম্না ঙাংবদি শকউদবনা খঙই।<br>
লৈরাং নংনা অদুক ওইদবা ঙাংলিবদু<br>
মপুবু শীংনবনি কান্নদবদা ঐখোয়–মশেল।

ফত্তবা চাম্মা চাম্মা হায়খ্রবসু<br>
অচুম্বা অশেংবদি লেংদনা লৈগনি।<br>
মতম চুপ্পগী ওইনা অদুমক ফগনি।<br>
ওজাগী মথৌদি জ্ঞান তাহন্বনি মখোয়বু<br>
থৌনা হাপ্পনি লৌশিং পীবনি ।<br>
তুংগী জাতিগী য়ুম্বীরোল ওইনবাগীদমক<br>
করন–তুরন হায়রক্কনু অর্থ লান্না হনগনু।<br>
সাইনটিফিক নেম কয়া শিজিন্নদুনা<br>
মীওইবগী হকচাং কয়াৎশিং তাক্লিব<br>
ওজানি, ঐদি ওজানি, ঐদি ওজানি।

### কৌই কৌই

*– নন্দামৈতৈ*

ঐনা য়েক্লিংলিবদো মীনা য়েক্লক্লবদি<br>
কৌই য়েক্লকপা কৌই।<br>
ঐনা শক্লিংলিবদো মীনা শক্লক্লবদি<br>
কৌই শক্লকপা কৌই।<br>
ঐনা ইনিংলিবদো মীনা ইরক্লবদি<br>
কৌই ইরকপা কৌই।

### মণিপুর

*– শরতচান্দ থিয়াম*

অনৌবা য়েন্নিংসে ওন্থোক্লা নৌখ্রে<br>
ওন্থোক্লা ফজখ্রে<br>
কনশিল্লকপদদি ওন্থোক্লা শাথিখ্রে<br>
অনৌবা তিঙ্খংসে ওন্থোক্লা থোৎখ্রে<br>
ওন্থোক্লা নৌখ্রে<br>
লীশিল্লকপদদি ওন্থোক্লা তমথিখ্রে<br>
লোইনমক হৌরি<br>
লোইনমক হিংলি<br>
লোইনমক ফংদুনা মৈ, ঈশিং, নুংশিৎ<br>
তুরেলসু ঙাথনা চেল্লি লৈরায়দা<br>
চীংসু ঙম্না থিনগৎলি অতিয়াদা<br>
লবুকসু লোংনা হিপ্লি তম্পাক্তা<br>
অদুবু<br>
মঙালসিমত্তংদি<br>
ওন্থোক্লা ফখ্রে।

### ঐগী কবিতা

*– শোনি*

ঐগী কবিতা<br>
ইশানা শুংজবা মহিনি।<br>
ইতোমতা ঙাওজবা

পাত্র পাত্র লান্নদুনা<br>
থকপদা ৱাকাই লাকপা<br>
'কারপানি' কৌবা বষ্টুনি।

ঙাওমিন্নবা ঙমদে কনাগসু<br>
পৎ তৎলবা পাই পক্তবা<br>
(নত্রগা মোরোক মরু পক্তবা)<br>
পাখ্রা কবি ...ঐনা।

অঙাং ওইরিঙৈ কবিতা খঙলমদে<br>
লৈগা লাইগা ৱারী শান্নদুনা<br>
লৈমায়থক্তা সরলরেখাগী লৈয়ি চিংল চিংলদুনা<br>
অতিথি উচেক্কী চিত্র য়েক্তুনা শান্নরম্মী।

ঐগী কবিতা<br>
হৌজিক ঐগুম্না<br>
য়োৎহিং কারবা মরৈগী স্ত্রুদা<br>
সৎতোকপা ঙমদ্রবা বোলধু (বোল্টু) ওইখ্রে।

ইন্সুরেন্স পোলিসি ককহৌদ্রবা<br>
অস্তিত্ত অমগী অবয়ব লৌদুনা<br>
লোৎলি কাংখা মখাদা।

লৈত্রবা তুংদা ঐনা<br>
লাইগী চাক থাবিনবা লৈত্রবা<br>
ঐগী কবিতা পীতৎ পাতৎপা<br>
হি–য়াই ৱাৎপা ৱাখলগী অনাথ এতিম অঙাংনি।

## তাবুনুংদগী

### মণিপুরী খুন্নাইদা থম্বাল

থম্বাল হায়বা অসি মশা পুন্নমক চন্নফম লৈবা ঈশিংদা হৌবা লৈ মখল অমনি। মালেমগী মফম পুন্নমক্তা হৌবা লৈ মখল অসি মখোয় মখোয়গী মরমদমশিংদা তোঙান তোঙানবা মমিং থোন্দুনা য়াম্না লুনা তৌনৈ। হিংদুশিংনসু লৈ অসি লাই–তিনগী ৱারী খুদিংমক্তা য়াওহন্দুনা য়াম্না অৱাংবা থাক্তা থম্মী। মণিপুরী খুন্নাইদা লৈ মখল অসি লাইগী থাক্তা থম্লে। কিনা লুনা লৌনৈ। খঙহৌদনা শোয়দুনা খোঙনা শোক্লুরবসু লাইবক কৎতুনা শোয়খিবদু ঙাকপিনবা পুক্লিংদা নীংজে। মতিক লৈবী লাইরেম্বী অমনি লৌনৈ। লৈ অসি করম্না হৌরকখিবনো হায়বগী মরমদা থাজ ৱারী কয়া লৈ। লমদম অসিগী খুন্নুং ঈশৈ শকপা অমসুং খোংজোম পার্ব শকপশিংনা তোঙান তোঙানবা ৱারী কয়াগা শম্নহন্দুনা শকনৈ। খোংজোম পর্বা শকপী নামৈরাকপম ওংবী ইবেনী দেবী অমসুং অমোম খোংনাংনা শৈথাদুনা শকলম্বা ঈশৈশিংবু খোমজিন্দুনা ফোঙবা লৈরোল কৌবা লাইরিক অদুদা য়াওবা অমোম খোংনাং সিংহগী লৈরোলদা থম্বালবু শৈথাবা ঈশৈ ময়েক অদু ঙসিগী ওইনা তাবুনুংদগী লৌখৎচরি।–

*''থম্বাল লৈরাং মহাক্তি*<br>
*ইবুধৌ থাংজিং চীংগোইরোন্দা য়াওবা লৈরাংনি*<br>
*ইবুধৌ থাংজিংনা পুথোরকপা*<br>
*শাইরেং চীংগী চীংখৈদা*<br>
*শীংঙেন চার অহুম থল্লে...*<br>
*অঙৌবা অসিনা লুপা কোন্দুনা থম্মু*<br>
*অঙাংবনা সনা কোনফুদা থম্মু*<br>
*মতম খরা লৈরগা লৈরাং অঙৌবা অদুনা*<br>
*মোইরাং লাহেনলিদা থাখ্রে*<br>
*অঙাংবা অদুনা মনুং নুংজেংপাৎ*<br>
*মোইরাং লাইখুপাৎতা থাখরে।*<br>
*লৈরাং অমনা থাংজিং চীংগী*<br>
*কোরেল তরেৎনা ঈতাফম*<br>
*নানথা ইনা ইতিন লোক্লুখুম*<br>
*লাইজ খিকলেন চাইদুনা থাখি।''*

### মণিপুরী পাম্থে –পাউরৌ, পাউতাক

- **তৌদবা য়াদ্রবা থবক্কীদমক্তি অহিং নুংথিল খায়গনু।**
  –তঙায়ফদনা তৌদবা য়াদবা ওইরবদি অহিং–নুংথিল নায়দনা মহয় চানবা কন্না হোৎনবা তারে।
- **তৌরাং ফক্তা ওন, লুতুং খোইবাক শাবা।**
  – য়াম্না কুইনা নারবা মী।
- **তৌরগা হৈরকপা ঙাক্তনি**
  – তৌবা হৌখ্রবদি লোয়শিন্নবা হোৎনৌ।
- **তৌরিঙৈদা তৌহৌ।**
  – তৌবা হৌখ্রবদি লোয়শিন্নবা হোৎনৌ।
- **তৌগনি হায়বদগী হেন্না তৌবা।**
  – থবক য়াংবা মীগী মতৌ।

*খোমজিনবাঃ ডা. লৈশাংথেম তোন্দোন*

### চানক্য নিতি

- মপুরোইবগী অনিংবা অপাম্বা মতুংইন্না চৎপনা নুপী ওইবিশিংগী মথৌনি।
- মচাশিংগী মথৌদি মতম চুপ্পদা মপানা হায়বা ইনবনি।
- তৌবতবু চৎনরিবা কাঙলোন্দগী হেঞ্জিল্লবদি চিংনবা, তপথবা থোকই।
- শিন্নীশিংগী মথৌদি থবক পীরিবা মপুগী অপাম্বা পাঙথোকপনি।।
- চৈ–থাংলিবা মমাদা মচানা ফত্তবা ৱাখল করিসু খন্দে, চুন্নতগী ৱারৌজবতনি, মপূক্লিংদদি অফবা ওইহন্নিংবগীনি খল্লি।

*মণিপুরীদা হন্দোকপাঃ শগোলশেম গৌরমহন সিংহ*

### মণিপুরী পাউখোঙ

১০১৩। মকোক্লা চারগা মবুক্লা ফায়বা করিনো?<br>
১০১৪। মকোক্লা লোৎপা মমৈনা কেবা করিনো?<br>
১০১৫। মহয়দি য়াল্লগা মপালদি শাদবা করিনো?<br>
১০১৬। মপালদি শারগা মহৈদি য়ান্দবা করিনো।<br>
১০১৭। মনিং হল্লগা ঙম্বা শকপা করিনো?

(ঙসিগী পাখোং লমায় ৬তা ফোঙজরি)

### মীরোন্দগী হন্দোকপা লাইরিক
### ঐগী পূন্সি অমসুং মণিপুর

*– জর্নৈল সিংহ*

*(জর্নৈল সিংহ মণিপুরগী চীফ সেক্রেটরী ফাওবা ওইরম্বা আই এ এস ওফিসার অমনি। মহাক্লা মণিপুরদা থবক তৌরিঙৈদা থেংনরকখিবশিং অদু নীংশিংদুনা ইংগ্রাজীদা ইবা 'মাই ত্রাইষ্ট ৱিথ মণিপুর' হায়বা লাইরিক অসি ক্ষেত্রিময়ুম সান্ত অমসুং ডা. কে এস ঐচ নরায়ন সিংহনা মণিপুরীদা হন্দোক্লে। লাইরিক অসি কলম অসিদা মথং মথং ফোঙদোকচরি।)*

(মমাঙ নোংমাইজিংগী মখা...)

#### ''এম এস পি সি এল অমসুং এম এস পি দি সি এলগী ৱার্কিং ওটোনোমি''

রিক্রুইটমেন্তট রুলশিং শেম্বগী শক্তি অমসুং কন্ত্রেক্ট নত্রগা অতৈ থবক খনবগী ৱারেপ অসি হান্নদি ষ্টেট গার্ভর্নমেন্টতা লৈরম্মী। কোর্পোরেশনশিং শেল্লবা মতুংদদি কোর্পোরেশনগীদমক মী নেকপা অমসুং মখোয়গী রিক্রুইটমেন্টকী ওতোনোমী অসি কোর্পোরেশনশিংগী মেনেজমেন্টতা লৈরম্মী। অওইবমক ঐগী রিভিউ মিটিংশিংগী অমদা এম এস পি দি সি এলগী সেনিয়ার ওফিসার অমনা নৈনরকখি মদুদি মখোয়না ইলেক্ত্রিসিটি দিপার্টমেন্টতা থবক শুরিঙৈগো মান্নবদদি হৌজিক্তি মখোয়না মখোয়গী থবক তৌবদা মপুং ফানা নীংতম্বা ফংলে অমসুং ওথোরিতি লৈনা থবক তৌবা ঙল্লে।

**রিভিয়ুশিং অমসুং ইন্সত্রক্সনশিং:**

মণিপুরগী পৱার সেক্তরশিং অসি ফগৎপদা মতেং পাংনবা প্লান অমা ঐনা শেল্লম্মী। ঐগী প্লানদা অনৌবা সব–ষ্টেসনশিং শাগৎতুনা ১৩২ কে ভি, ৩৩ কে ভিগী পৱার গ্রিদশিং মপাঙ্গল কনখৎহনবা অমসুং মনুং হঞ্জিনবা মফমশিংদা ৩৩ কে ভিগী গ্রিদশিং ফঙহনবা, ষ্টেটনা মপু ওইবা ৪০০ / ১৩২ কে ভি সব–ষ্টেসনশিং শাগৎপা অমসুং মণিপুরদগী অসামগী মিশা ফাওবা ৪০০ কে ভি লাইন তিংবা, পৱার হুরানবা চেক তৌনবা সিষ্টেম অমা থম্বা, পৱারগী রিলায়েবিলিটি ফগৎহনবা অমসুং কোর্পোসেনশিং অসিদা থবক নীংথিনা লৌবা অসিনি। সমস্যাশিংগী ফার্ষ্ট হেন্দ ইনফোর্মেসন ফংনবা মরু ওইবা কন্সত্রক্সন সাইদশিংদা চৎপসু ঐনা পামখি।

ইঞ্জিনিয়ারিং সিপার্টমেন্টশিংদা ঐনা তৌখিবা থবকশিং অদুনা ঐঙোন্দা পরা অমা তম্বীখি মদুদি কন্সত্রক্সন সাইটশিংদা চৎখিবশিং অদুনা সমশ্যা কয়া অমা উহনখি অমদি মদুগী সোলুসনশিং পীখি। এম এস পি সি এল প্রোজেক্টশিংগী প্রোগ্রেস রিভিউ তৌনবা পাঙথোকখিবা মীটিং অদুদা য়ুরেম্বমদগী য়াইঙংপোকপী ফাওবা তিংবা ১৩২ কে ভি ত্রান্সমিসন লাইনদু চাদা ৬৫গী প্রোগ্রেস লৈবা অদু উৎখি। ঐনা ইঞ্জিন্নিয়ারশিংদা হায়জখি মদুদি শাবা লোয়শিনখ্রবা ১৩২ কে ভি টৱার খরা ঐনা চৎতুনা য়েংশিনবা পাম্মী।

মথং মথং...

# সি ই সি জ্ঞানেস কুমারগী মায়োক্তা চংশিনবা সি জে পিগী খোঙজং সেক্যুরিটি ফোর্সনা মপুং ফাহনখিদ্রে



ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ১০ (এজেন্সি):
লৈবাক অসিদা অনৌবা ইলেক্টোরেল রোল রিভিজন ফোঙবগী মতাংদা পাঙথোক্লিবা স্পিসিয়েল ইন্টেন্সিব রিভিজন (এস আই আর) দা অরান–অহুই কয়া চৌখে হায়বগী মরাল শীরদুনা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াগী চীফ ইলেক্সন কমিস্নার জ্ঞানেস কুমারবু মফম লৌথোক্কদবনি হায়বনচিংবা তোঙান তোঙানবা দিমান্দ কয়া তৌরদুনা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মথক্তা সি জে পিনা শিন্দুনা চংশিনখিবা খোঙজং য়াল্লবা সেক্যুরিটি ফোর্সনা মপুং ফানা পাঙথোকপা ঙমহনখিদ্রে।

ন্যু দিল্লিগী জন্তর মন্তরদা য়াল্লবা মীয়াম্না শরুক য়াদুনা খোঙজং চংশিন্নবা সি জে পিগী ফাউন্দর অভিজিদ দিবকে, শৌরব দাস অমসুং অসুতোস রঙ্কা মুম্বাই এয়ারপোর্টতগী ফ্লাইট তোংদুনা ন্যু দিল্লিগী ইন্দিরাগান্ধী ইন্টরনেসনেল এয়ারপোর্টকী টর্মিনেল ৩দা থুংবগা সেক্যুরিটি ফোর্সনা মখোয় ৩বু ফাজিন্দুনা থমখ্রে। অসিদা নৎতনা লৈবাক অসিদা থোকপা তোঙান তোঙানবা মরুওইবা ইসু কয়া সোসিয়েল মেদিয়াগী খূৎথাংদা খঙহন্দুনা লাক্লিবা মমিং লৈরবা য়ুট্যুবর দ্রুব রাথিসু সেক্যুরিটি ফোর্সনা গুরুগ্রামদা লৈবা মহাক্কী ময়ূমদগী ফাদুনা সেক্যুরিটি কষ্টদিদা থমখ্রে। মমিং লৈরবা য়ুট্যুবর ধ্রুবরাথিনা সি জে পিনা শিন্দুনা সি ই সি জ্ঞানেস কুমারগী মথক্তা চংশিনগদৌরিবা খোঙজং অসিদা শরুক য়াগনি হায়না ফোঙদোকখিবসু লৈখ্রবনি।

লৈবাক অসিগী মমিং লৈরবা ন্যুজ এজেন্সি অমগী রিপোর্টকী মতুং ইন্না সি জে পিনা হৌখিবা নুমিৎ কয়ানিগী মমাঙদগী সি ই সি জ্ঞানেস কুমারগী মায়োক্তা খোঙজং চংশিল্লক্লিবা অসিগা মরী লৈননা সেক্যুরিটি ফোর্সনা ন্যু দিল্লি পুলিস এক্তকী সেক্সন ৬৫গী মখাদা চাওরাক্লা খোঙজংলোই ৬০০ হেন্না ফাজিন্দুনা থমখ্রে হায়রি।

সি জে পি অমসুং তোঙান তোঙানবা খূৎশন্নবা লূপশিংগী মায়কৈদগী ঙসি ন্যু দিল্লিগী জন্তর মন্তরদা চংশিনগদবা খোঙজং অসিদা শরুক য়ানবগীদমক তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদগী প্লেন অমসুং ট্রেননচিংবা তোংদুনা লাকখিবা খোঙজং লোই কয়াসু সেক্যুরিটি ফোর্সনা থি হুমদুনা ফাজিন পুনশিনবগী থবক চথুরি হায়না ফোঙদোরক্লি।

মহারাষ্ট্রা, টেলঙ্গনা, অন্ধ্র প্রদেশ, ৱেষ্ট বেঙ্গল অমসুং রাজস্থাননচিংবা মফম কয়াদা সি জে পিগী খোঙজং অসিগা মরী লৈননা সেক্যুরিটি ফোর্স অমদি খোঙজংলোইশিংগগী মরক্তা য়ান্নাচাওনা মুক্নবগী থৌদোক ৱাথোক কয়াসু থোক্লি হায়না রিপোর্ট অসিনা মখা তারক্লি।

# মস্কনা অম্বনিবু ইন্দিয়াগী পি এম নি হায়না করেম্নরদুনা সেটিলাইট সার্ভিস ফংহন্দবগী য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি





ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ১০ (এজেন্সি):
টেসলা অমসুং স্পেস এক্সকী চীফ ইকজিক্যুটিব ওফিসার (সি ই ও) ওইবতা নৎতনা মালেমগী ওইনা শেঞ্জাও পায়বদা খ্বাইদগী মকোকথোংবদা লৈরিবা ইলোন মস্কনা রিলায়েন্স ইন্দষ্ট্রিজগী চিয়ারমেন মুকেস অম্বানিবু ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টরনি হায়না করেম্নবা ৱাফম ফোঙদোক্লদুনা ষ্টারলিঙ্ককী মখাদা ইন্দিয়াদা সেটিলাইট সার্ভিস মীয়ামদা পীবা য়াহন্দনা লৈরিবা অসিগী মতাং দা নুংঙাইতবা ফোঙদোরকখ্রে।

ইলোন মস্কনা মহাক্কী ওফিসিয়েল এক্স একাউন্দদা থাদোরকপা ৱারোল অমদা অম্বানিনা ইন্দিয়াগী লৈরিবা কঞ্জ্যুমরশিংদা মোনোপোলি চথদুনা লৈরে। ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা কাচিন কোয়া কয়াদা ঙসিসু মখা তানা ইন্টরনেটকী খুদোঙচাবা ফং দনা লৈরি।

ষ্টারলিঙ্ককী মখাদা ইন্দিয়াদা সেটিলাইট সার্ভিস পীবা য়াবগী খুদোঙচাবা ফংহল্লবদি ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা ইন্টরনেটকী সার্ভিস ফংহন্দনা লৈরিবা মফমশিংদা ইন্টরনেট সার্ভিস পীদুনা মহৈ মশিনগী লমদতা নৎতনা পীক্লা লল্লোন ইতিক তৌরিবশিংদা কান্নবা কয়া ফংহনবা ঙমগনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

পনবা য়াবদি হৌখিবা নোংম–নীনিগী মমাঙদা ইলোন মস্কনা ষ্টারলিঙ্কগী মখাদা সেটিলাইটকী খূৎথাংদা মীয়ামদা ইন্টরনেট সার্ভিস ফংহনবা য়াবগী অয়াবা মালেমগী লৈবাক ১৬৫ হেনবনা অয়াবা পীরকপা লৈরে। চহী ৫ চুপ্পা ইন্দিয়াগী ওইনসু লৈবাক অসিদা সেটিলাইট সার্ভিস ফংহন্নবা লেপ্পনা ৱারী শান্নদুনা লাক্লি। অদুবু ঙসি ফাওবা মায় পাকপা ঙমদনা লাক্লি। মমিং মথা পনবদি তৌদনা মুকেস অম্বনিনা ইন্দিয়াগী কৈথেলদা মোনোপোলি তৌদুনা লৈরে। ইন্টরনেটকী খুদোঙচাবা ফং দনা থম্বা হায়বা অসি ক্রাইম অমনি হায়নসু ফোঙদোরকখিবা লৈখ্রবনি।

# মিজোরাম: সেন্সস ২০২৭তা রিফ্যুজিগী মশিং থীগদৌরি

আইজোল, ওক্টোবর ১০ (এজেন্সি): মিজোরামদা সেন্সস ২০২৭গী ২শুবা তাঙ্কক্কী ওইনা মীকোক মশিং থিবগী থবক চথুরগনি হায়না চীফ সেক্রেটরি খিলিরাম মিলানা চিয়ার লৌদুনা পাঙথোকপা ষ্টেট লেবেল কনফরেন্সতা ৱারেপ লৌখ্রে।

আইজোলদা পাঙথোকখিবা ষ্টেটলেবেল কনফরেন্সতা ষ্টেট অসিদা আইন কায়না চংশিন্দুনা লৈরিবা রিফ্যুজিশিংসু মীকোক মশিং থিবগী থবক অসিদা য়াওগনি হায়রি। ২শুবা তাঙ্কক্কী ওইনা চথগদৌরিবা মীকোক মশীং থিবগী থবক অসিগী মতাংদা দিপুটি দাইরেক্টর ওফ সেন্সস ওপরেসন জমিল আর স্বেরনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা মিজোরামদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা সেদুল কাষ্ট কম্যুনিটি ১৬কী মীকোক মশিং থিবগী থবক চথুরগনি অসিদা নৎতনা ষ্টেট অসিদা লৈরিবা রিফ্যুজিশিংসু মীকোক মশীং থিবা অসিদা কোনশিনগনি, অদুবু মীকোক মশিং থিবগী থবক্তা য়াওগদৌরিবা রিফ্যুজিশিং দা লৈবাক অসিগী সিটিজেন ওইগনি হায়বগী ৱাফমদি য়াওদে।

অসিদা নৎতনা মীকোক মশিং থিবগী থবক অসিদা কনাগুম্বা আধার নম্বর খঙহন্নিংদবা মীওইশিংগী লৈরিবা আধার নম্বরশিং মীয়ামদা খঙহন্দনা থম্বা য়াবগী খুদোঙচাবসু পীগনি। ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা চথখিবা স্পিসিয়েল ইন্টেন্সিব রিভিজনদা য়াওরকখিদ্রবা তোঙান তোঙানবা মীওইশিংসু মীকোক মীশিং থীবগী থবক অসিদা য়াওগনি হায়নসু খঙহল্লক্লি।

অমরোমদা ষ্টেট অসিদা মীকোক মীশিং থিবগী থবক চথনবা মথৌতাবা ওফিসিয়েলশিং ট্রেনিং পীদুনা শেম শাবগী থবক লোইখ্রে। মিজোরামদা অনিশুবা তাঙ্কক্কী ওইনা মীকোক মশিং থিবগী থবক চথনবা মথৌতাবা এক্সপেন্দিচর ওইনা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা পূন্না লুপা ক্রোর ১৯.১৯গী শেনফম কায়থোকখ্রে।

### Crossword # 1165



Across
1. Choir member
5. Big Dipper component
9. Inexpensive
14. Property right
15. Tennis's ____ Sampras
16. Window sill
17. Colleague
19. Debate
20. Used a stool
21. Carrying a weapon
22. Majestic
23. Light bender
24. Clamor
25. Rembrandt, e.g.
28. Plot
30. Beach color
33. Singer ____ Martin
34. Fixed gaze
35. Busy activity
36. Side by side
39. A Great Lake
41. Procure
42. School group
44. Achieves
45. Chicago trains
46. Charge
47. Sculpture
49. Drag
50. Clock feature
52. Passover feast
55. Kind of acid
56. Fourth mo.
59. Peruvian animal
60. Schedule
62. Distribute
63. Singles
64. Rod's companion
65. Down East
66. Long ago
67. Water whirl

Down
1. Poetic lament
2. ____ Marie Presley
3. ____ the waters
4. Lennon's lady
5. Liveliness
6. Squads
7. Try
8. Marsh grass
9. Saxophone's kin
10. Long-legged bird
11. Tense
12. Water (Sp.)
13. Fruit skin
18. Autos
23. Cone-bearing tree
24. Shucks!
25. Proverb
26. Rise up
27. Bakery items
29. Vietnam's neighbor
30. Gypsy's card
31. Goodbye, in Paris
32. Loop of rope
34. Amtrak stops (abbr.)
37. Free from error
38. Walk heavily
40. Eve's mate
43. Staying power
47. Most rational
48. Jog
49. Sour fruit
51. Citrus fruits
52. Shut loudly
53. She, in Seville
54. Surrealism's Salvador ____
55. Upon
56. Not up yet
57. Begged
58. Count (on)
61. Right you ____!

পাউখুম লমায় ৭ দা ...

# পাকিস্টাননা নুমিৎ খুদিংগী ন্যুক্লিয়ার ৱেপনগী মিংদা কিহন খঙহনবগী থবক চথরি: ইন্দিয়া



ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ১০ (এজেন্সি):
পাকিস্টাননা লৈবাক ঙাকপগী মিংদা নুমিৎ খুদিংগী অতোপ্পা লৈবাকশিংগী মথক্তা ন্যুক্লিয়ার ৱেপনগী ওইবা কিহন খঙহনবগী থবক কয়া লেপ্তনা চথরি। ন্যুক্লিয়ার ৱেপনগী মিংদা পাকিস্টাননা ব্লেকমেল চথরিবা অসিদা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা হিরম অমত্তদা ঙক নোনবগী থৌওং চথবা খক তৌরোই হায়না য়ুনাইটেদ নেসনগী জেনরেল এসেমব্লিদা ইন্দিয়ানা ফোঙদোকখ্রে।

য়ুনাইটেদ নেসনগী জেনরেল এসেমব্লিগী প্লেনরি সেসনদা কনফরেন্স ওন দিসআর্মঅমেনতা ইন্দিয়াগী লৈরিবা পার্মিনেন্ট মিসনগী সেনিয়ার এদভাইজর অনমোল সের সিংহ বেদিনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

য়ু এনগী জেনরেল এসেমব্লি অদুদা পাকিস্টাননগী মায়কৈদগী জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী মতাংদা তোঙান তোঙানবা ৱাফম কয়া থমখিবা অদুগী পাউখুম পীবা ওইনা অনমোল সের সিংহ বেদিনা হায়, ইন্দিয়াগী টেরিটোরিদা আইন কয়ানা চংশিন্দুনা লৈরিবশিংবু লৈবাক অসি থাদোক্তুনা চৎখিনবা মতম কয়াগী মমাঙদগী লাউদুনা লাক্লি।

হিরম অমত্তদা ইন্দিয়াদা পামদবা থৌদোক ৱাথোক থোকহন্নিংবগী অপাম্বা লৈতে। মতম পূম্নমক্তা নুংশি চান্নবদা য়ূমফম ওইরগা ইং–তপ্পা লৈবাক অমা ওইনবা ইন্দিয়ানা লেপ্তনা হোৎনদুনা লাক্লি। অদুবু লৈবাক অসিগী লৈরিবা ইং–তপ্পা অসিবু থুগাইদুনা পামদবা থৌদোক ৱাথোক কয়া থোক্লবা অতম্ননা হোৎনরকপা লৈরবদি ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী তুমিন্না খক লৈথোক্লোই। লৈবাক অসিদা পামদবা থৌদোক ৱাথোক থোকহন্দুনা কাংখোঙ চাইবা খুন্নাই অমা ওইনবা হোৎনরিবশিংগী মথক্তা চপ চানা এক্সন লৌখৎকনি।

পাকিস্টানগী মায়কৈদগী লৈবাক অদুবু ঙাক শেনবগী মিংদা তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংগী মথক্তা ন্যুক্লিয়ার ৱেপন শিজিন্নরগনি হায়না তৎতনা কিহন খঙহনবগী থবক চথদুনা লাক্লি। অদুবু য়েক্নবা লৈবাকশিংনা ন্যুক্লিয়ার ৱেপন শিজিন্নরক্কনি হায়দুনা ইন্দিয়ানা কিদুনা চেনগদবা লৈতে।

ইন্দিয়াগী টেরিটোরি লানশিন্দুনা ইলিগেল এক্টিভিটি কয়া চথরক্লিবশিংগী মথক্তা খুদক্তা ইন্দিয়ানা খূৎ থাদনা লৈরিবা অসিনা তাকপদি ইন্দিয়া হায়রিবা লৈবাক অসি ইং–তপ্পা নুংশি–চান্ননা লৈমিন্নবদা পান্দম থম্বা লৈবাক অনি হায়না তাকপনি।

ইন্দিয়াগী লৈরিবা অপাম্বা অসিগী খুদোঙচাবা য়েক্নবা লৈবাকশিংনা লৌরোইদবনি। ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী য়েক্নবা লৈবাকশিংগী মথক্তা খুদক্তা এক্সন চথবা য়াবগী পাঙ্গল চপ চানা লৈ হায়না ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি হৌখিবা চহী ২০২৫কী এপ্রিল ২২দা পাকিস্টানদা বেজ তৌবা টেরোরিষ্টশিংনা জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী পহলগামদা টেরর এটেক চথদুনা মরাল লৈজদ্রবা লম কোয়বা মীওই ২৬ হাৎখিবা অদুগী লমন খুম্বা ওইনা চহী অদুমক্কী মে থাদা ইন্দিয়ানা ওপরেসন সিন্দুর হায়না মিংথোন্দুনা পাকিস্টান অমসুং পাকিস্টান ওকুপাইদ কাশ্মিরদা লৈরিবা পাকিস্টানগী টেরোরিষ্ট কেম্পশিংগী মথক্তা মায় পাক্লা ওপরেসন চথদুনা পহলগাম টেরর এটেককী লমন খুমখিবসু লৈখ্রবনি।





### সনা–সুদোকু–১১০৪গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 5 | 3 | 2 | 6 | 9 | 4 | 1 | 7 | 8 |
| 8 | 6 | 4 | 7 | 3 | 1 | 2 | 5 | 9 |
| 9 | 7 | 1 | 8 | 2 | 5 | 4 | 6 | 3 |
| 1 | 8 | 9 | 3 | 6 | 2 | 5 | 4 | 7 |
| 2 | 5 | 3 | 9 | 4 | 7 | 6 | 8 | 1 |
| 7 | 4 | 6 | 5 | 1 | 8 | 9 | 3 | 2 |
| 4 | 9 | 8 | 1 | 5 | 3 | 7 | 2 | 6 |
| 6 | 2 | 7 | 4 | 8 | 9 | 3 | 1 | 5 |
| 3 | 1 | 5 | 2 | 7 | 6 | 8 | 9 | 4 |

### ঙসিগী পাখোংগী পাউখুম

১০১৩– ফৌ তক্লবা চক্রি।
১০১৪– শম্বানদোং।
১০১৫– অশিংহৈবোং।
১০১৬– ৱা।
১০১৭– থৌনি চিংনবা।

# মালেসিয়াগী খূৎথাংদা ইন্দিয়ানা লল্লোন ইতিক্কী থবক কনখৎহনবা য়াবগী ওইথোকপা চাওনা লৈ



ক্বালালুম্পুর, ওক্টোবর ১০ (এজেন্সি):
এ এস ই এ এনগী মনুং চনবা লৈবাকশিংদা লৈরিবা লল্লোন ইতিক্কী কৈথেলদা থবক তৌনবগী পান্দম থল্লিবা ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা কম্পেনিশিংনা মালেসিয়াবু লম্বী অমা ওইনা শিজিন্নদুনা লল্লোন ইতিক্কী থবক মায়পাক্লা চংশিনবা য়াবগী ওইথোকপা চাওনা লৈ হায়না মালেসিয়াগী প্লান্টেসন অমসুং কোমোদিটিগী মিনিষ্টর নোরানি অহমদনা ফোঙদোকখ্রে।

লৈবাক অসিগী ন্যুজ এজেন্সি অমনা লৌবা অখন্নবা ইন্টরভ্যু অমদা মালেসিয়াগী মিনিষ্টর নোরাইনি অহমদনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

ইন্টরভ্যু অদুদা নোরাইনি অহমদনা হায়, এ এস ই এ এন–ইন্দিয়াগী মরক্তা লৈরিবা ষ্ট্রেটেজিক পার্টনরসিপকী ওইবা ফ্রেমৱার্ক অসিগী মখাদা ট্রেদ, ইন্দষ্ট্রিজ অমসুং তোঙান তোঙানবা লল্লোন ইতিক্কী মতাংদা ইন্দিয়া অমদি মলেসিয়া পূন্না চৎমিন্নদুনা মরুওইনা প্রদক্সন, রিছার্স, টেক্নোলোজি অমসুং দাউনষ্ট্রিম মেনুফেকচরিং তৌবগী থবক খুমাঙ চাওশিন্না পায়খৎপা য়াবগী ওইথোকপা চাওনা লৈ।

অসিদা নৎতনা মলেসিয়ানা ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা কম্পেনিশিংগী মরুওইবা লম্বী অমা ওইদুনা এ এস ই এ এনগী লৈরিবা কৈথেলশিংদা মখাতানা লল্লোন ইতিক্কী থবক পাক শন্না মায়পাক্লা চথবা য়াই।

মলেসিয়াগী মায়কৈদগী ইন্দিয়াগা অমত্তা ওইনা চৎমিন্নদুনা তোঙান তোঙানবা হিরম কয়া মায় পাক্লা পাঙথোকপা য়াবগী লৈরিবা খুদোঙচাবশিং অসি লৌদুনা লৈবাক অনিগী মরক্তা লৈরিবা পার্টনরসিপকী ওইবা মরী অসি অমুক্কা হেন্না কনখৎহন্দুনা মখা তানা খুদোঙচাবা কয়া ফংনবসু লৈবাক অসিনা পান্দম থল্লি।

মলেসিয়া অমসুং ইন্দিয়াগী মরক্তা লৈরিবা লল্লোন ইতিক্কী ওইবা ফ্রেমৱার্ক অসিগী মথক্তা অহেনবা কোওপরেসন অমসুং ইনভেষ্টমেন্ট কয়া তৌদুনা মখা তানা রব্বর, টিম্বর নচিংবা তোঙান তোঙানবা পোথোক কয়া পুথোকপদতা নৎতনা থাওগা মরী লৈনবা লল্লোন ইতিক্কী মতাংদসু নক্লবা মরী থন্নবা পান্দম থল্লি হায়না মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি। এগ্রী একোমোদিটি সেক্টরদা মলেসিয়াগী মীয়াম্না পামনা শিজিন্নরিবা পাম্ম ওইলগী মতাংদা ইন্দিয়াগা পূন্না থবক তৌমিন্নবগী পান্দম কয়াসু থল্লি হায়না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# এ আইদা ইনভেষ্টমেন্ট তৌবগী চাং ৱাংখৎলক্লবসু ইন্দিয়াদা এ আই শিজিন্নবগী চাং নেম্না লৈরি

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ১০ (এজেন্সি):
ইন্দিয়াদা আর্টিফিসিয়েল ইন্টিলিজেন্টস (এ আই) হেন্না চাওখৎনবগী পান্দমদা মথৌ তাবা ইনভেষ্টমেন্ট তৌবগী চাং লেপ্তনা হেনগৎলক্লি। অদুবু লৈবাক অসিদা এ আই শিজিন্নবগী চাংদি অতোপ্পা লৈবাকশিংগা য়েংনরুবদা অদুক্কী মতিক নেম্না লৈরি।

ৱার্ল্ড বেঙ্ক সর্ভে রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না ইন্দিয়াদা এ আই হেন্না চাওখৎহন্নবগীদমক হৌখিবা চহী ২০২৪দা মথৌতাবা ইনভেষ্টমেন্ট দোল্লর ১.২ ওইখিবা অদু হৌখিবা ২০২৫তা দোল্লর ৪.১ বিল্লিয়নদা হেনগৎলকখি। অদুবু য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা এ আই শিজিন্নবগী চাং ৪২.৭ অদুগা চাংদম্নরুবদা ইন্দিয়াদা এ আই শিজিন্নবগী চাং নেম্না লৈরি।



হৌজিক হৌজিক ইন্দিয়াগী ওইনা এ আই শিজিন্নবগী চাং চাদা ২৩.৪ খক্তনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

অসিদা নৎতনা এ আই সোফৱ্যার নৎত্রগা সবস্ক্রিপসনগীদমক য়ু এসতা লৈবা অপূনবা ফার্মশিংনা চাদা ২৩.১ চাদিং তৌদুনা শিজিন্নরি। অদুবু ইন্দিয়ানা এ আই সোফৱ্যার নৎত্রগা সবস্ক্রিপসন ফংনবগীদমক সুম্নতগী চাদা ৩.৫ খক্তমক চাদিং তৌরি।

হৌখিবা চহী ২০২৪গা য়েংনরুবদা ২০২৫তা ইন্দিয়াদা এ আইগী লমদা ইনভেষ্টমেন্ট তৌবগী চাং লেপ্তনা হেনগৎলক্লবসু ইন্দিয়াদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা কম্পেনিশিংনা লল্লোন ইতিক্কী লমদা এ আই শিজিন্ননিংবগী অপাম্বা থোইদোক্লা মমি উদনা লৈরি হায়না রিপোর্ট অসিনা মখা তারি।

হৌখিবা চহীগী ওক্টোবর থাদা ইন্দিয়া দিভলপমেন্টনা ফাইনান্সিয়েল ইয়ার ২০২৭দা এ আই গা মরী লৈননা ফোঙখিবা রিপোর্ট অদুদা য়ূমফম ওইরগা ৱার্ল্ড বেঙ্ক সর্ভেনা রিপোর্ট অসি তৌরকখিবনি।

প্রদক্টিভিটি হেনগৎহনবা ঙম্বগী খুদোঙচাবা কয়া লৈরবসু এ আই অসি মথৌতাবা স্কিল অমসুং ইনফ্রাষ্ট্রকচরগী অৱাৎপা ইন্দিয়াদা চাওনা লৈবনা এ আই শিজিন্নবগী চাং নেম্বনি হায়না রিপোর্ট অসিদগী উবা ফংলি।





অয়েকপা লাই অসিদা খেন্নবা তরুক য়াওরি, খেন্নবশিং অদু পুথোকউ



খেন্নবশিং অসিগী পাউখুম পেজ ৭দা

# য়ু এসনা রসিয়ান দিজল য়োনবদা থম্বা সেঙ্কসন্স এপ্রিল ২০২৭ ফাওবা লৌথোকখ্রে

ৱাসিংটন, ওক্টোবর ১০ (এজেন্সি):

য়ু এসনা ইরাই নুমিৎতা রসিয়ান দিজল লোনবদা থম্বা সেঙ্কসন্সশিং অদু মথংগী চহী এপ্রিল ৭ ফালবা লৌথোকখ্রে। য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্দ ট্রম্পনা রসিয়াগী প্রসিদেন্ট নোনাল্দ ট্রম্পকা ৱারী শান্নখিবা অমসুং আমেরিকান অমসুং গ্লোবেল মার্কেটশিংদা দিজল সপ্লাই তৌবা দিল অমা য়ান্নখিবা নুমিৎ খরনিগী মতুং ৱাফম অদু য়ু এস দিপার্টমেন্ট ওফ ট্রেজরিনা লাউথোকখিবনি।




রসিয়ান ফেদরেসন ওরিজিনগী দিজল ফুয়েলগী সেল, দিলিভরি, ওফলোদিং, নৎত্রগা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী মনুংদা ইম্পোর্টেসন য়াওনা ইম্পোর্টেসনগা মরী লৈনবা রসিয়ান হার্মফুল ফোরেন এক্টিভিটিজ সেঙ্কসন্স রিগুলেসন্সনা অথিংবা থম্বা ট্রাঞ্জেক্সন পুন্নমক ২০২৭ এপ্রিল ৭কী ১২:০১ এ এম ইষ্টর্ন দেলাইট টাইমদগী ওথোরাইজ তৌরে হায়না ট্রিজরি দিপার্টমেন্টনা হায়খি।

মসিগী মমাঙদা, ট্রম্পনা হায়খি, রসিয়ানা খুদক্তগী দিজল টোন ৩০০,০০০ হেন্না সপ্লাই তৌরগনি অদুগী মতুং নবেম্বরদা টোন ৫০০,০০০ রোম অমসুং মদুগী মতুং খুদক্তা টোন মিল্লিয়ন ১ সপ্লাই তৌরগনি।

রসিয়ানা রসিয়াগী রিফাইনরিশিংগী ফিভম অদুগী মখা পোন্না অতোপ্পা দিজল টোন মিল্লয়ন ৩ অমগসু পীগনি হায়না টয়ম্পনা ট্রুথ সোসিয়েলদা পোষ্ট অমদা হায়খি।

য়ুক্রেননা রসিয়াগী রিফাইনরিশিংদা এটেক তৌরকখিবদগী মোস্কোনা দিজল এক্সপোর্টশিংদা অথিবা থমখিবনা মালেমগী অকোয়বদা দিজলগী মমলশিং ৱাংখৎখি।

ট্রম্পনা নবেম্বর মিৎটার্ম ইলেক্সন্স মাঙওইননা ফুলেগী মমলশিং হন্থনবা থবক লৌখৎনবগী পোলিটিকেলগী শাফু মায়োক্নরি।

# এক্স–জজনা পিছ নোবেল ফংখিবা পুং খরগী মতুং য়ু এসনা ৱার্ল্দ কোর্ট সেঙ্কসন তৌখ্রে

ৱাসিংটন, ওক্টোবর ১০ (এজেন্সি):

ট্রম্প এদমিনিষ্ট্রেসননা য়ু এসকী মায়োক্তা ইন্টরনেসনেল ক্রিমিনেল কোর্টনা থবক তৌই থাজদুনা মসিগী মথক্তা ইরাই নুমিৎতা অকনবা সেঙ্কসন্স থমখ্রে।




য়ু এসকী সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট মার্কো রুবিওনা ইন্টরনেসনেল ক্রিমিনেল কোর্ট (আই সি সি)বু রোগ কোর্ট অমনি হায়রদুনা সেঙ্কসনশিং অদু ভিদিও মেসেজ অমদা লাউথোকখি।

ৱার ক্রাইমশিংগী মতাংদা ইজ রেলিশিং, আমেরিকানশিং প্রোজিক্যুট তৌনবা ইলিগেলি অমসুং অনফিয়ারলি হোৎনবগী অমসুং পোলিটিসাইজ ওইরকপগী আই সি সিবু য়ুএসনা মরাল শীখি।

মখোয়গী রিছোর্সশিং ককথৎতুনা ঐখোয়গী মায়োক্তা থবক তৌবা ঙন্নবগী শক্তি লৈহন্দুনা ঐখোয়গী রোদ কোর্ট অসিগী ট্রাঞ্জেক্সনশিং থিং লগনি হায়না এক্সতা থাগৎপা ভিদিও অদুদা রুবিওনা হায়খি।

সেঙ্কসনশিং অদু ট্রম্পনা অনিরকশুবা ওইনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটকী প্রসিদেন্টকী ওফিস কারকখিবদগী ফংবা পান্নখিবা এৱর্দে অমা ওইরিবা নোবেল পিছ প্রাইজ অদু হান্নগী আই সি সি জজ নবি পিলেনা ফংখিবা পুং খরগী মতুংদনি।

য়ুএস জুরিসদিক্সন মনুংদা লৈবা মীয়াম্না সনষ্টিট্যুসন অমা ওইনা আই সি সিগী এসেটশিং মখোয়না থিং লে অমসুং কোর্ট অদুগা ব্যুজিনেস তৌনবা য়ু এস কম্পেনিশিং অমসুং লন্নাই মীওইশিংগীদমক এদমিনিষ্ট্রেসন তোক্নবা থা ৬কী মতম অমা পীখ্রে।

মখোয়না ঐখোয়গী লৈবাক্কী ঙমখৈশিং ঙাক্লিবা বোর্দর এট্রো এজেন্টশিং প্রোজিক্যুট তৌবা পাম্মি, মখোয়না ঐখোয়গী নেসনেল সেক্যুরিটি পীরিবা ঐখোয়গী ইলেক্তেদ লুচিংবাশিং প্রোজিক্যুট তৌবা পাম্মি।

মখোয়না অহেনবা পৱার পাম্লি অমসুং মখোয়না মদু লৈবাক অমা ওইনা ঐখোয়গীর সোভরেন্টি মাঙহল্লগা মদু পাম্লি হায়না গ্লোবেল ট্রিবুনেল অদুগী মতাংদা রুবিওনা হায়খি।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং আমেরিকাগী মীওইশিং মসিগী ফেক আই সি সিগী জুরিসদিক্সন মখাদা লৈতে হায়রদুনা দোনাল্দ ট্রম্পনা আমেরিকানশিংবু কোর্টনা কৈদৌঙেদা প্রোজিক্যুট তৌবা য়াহল্লোই হায়না মহাক্না হায়খি।

আই সি সিগী আপিলস চেম্বরদা ২০০৩দগী ২০০৮ ফাওবা জজ অমা ওইরমখিবা সাউথ আফ্রিকান জিয়ুরিষ্ট নবি পিলেনা কোর্ট অসিগী মথক্তা চথবা পোলিটিকেল এটেকশিং হেনগৎলক্লি হায়না মসিগী মমাঙদা ৱার্নিং তৌখি।

পিলেনা ওকুপাইট পেলেষ্টিনিয়ান টেরিটোরিদা য়ু এন ইন্দিপেন্দেন্ট ইন্টরনেসনেল কম্মিসন ওফ ইনক্বারিগী চিয়ার ওইখি। ইজরেলগী প্রাইম মিনিষ্টর বেঞ্জামিন নেটান্যাহু য়াওনা মীওই কয়ামরুমগীদমক আই সি সিনা এরেষ্ট ৱারেন্টশিং থোকখিবা অমসুং অফগানিষ্টানদা য়ু এসকী মমাঙদা তৌখিবা থবকশিংগী মতাং দা ৱারেন্টশিং থোকখিবদগী হৌনা মতম শাংনদগী য়ু এসনা ৱার্ল্দ কোর্ট অদুদা শাওখি।

আই সি সিনা মখোয়না পীরিবা অকিবশিং লোইশিনগদবনি, নৎত্রগা ঐখোয়না আই সি সি অদু লোইশিনগনি হায়না রুবিওনা ৱার্নিং তৌখি।

# পুটিনগা তৌনখিবা ট্রম্পকী ওইল দিল জেলেনস্কিনা চৈখ্রে

ৱাসিংটন, ওক্টোবর ১০ (এজেন্সি): য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা দিজল ফংদবগী অৱাবা কোমথোকহন্নবা রসিয়ান ওইল লৌনবা য়াদুনা দোনাল্দ ট্রম্পনা মতিক চাদবা অমসুং অশোনবা ৱারেপ অমা লৌখ্রে হায়না ইরাই নুমিৎতা য়ুক্রেনগী প্রসিদেন্ট বোলোদিমির জেলেনস্কিনা হায়খ্রে।

রসিয়াগী প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিননা য়ু এস ৱার্ল্দ মার্কেটশিংদা দিজল ফুয়েল পীনবা য়াখ্রে হায়না মসিগী মমাঙদা য়ু এস লুচিংবা অদুনা হায়খি। মদু তশেংনমক মপুকচেল শেংবা নৎতে। মদু শোংনমক ঐখোয়গী পার্টনরশিংগী মতিক চাদবনি, অমসুং মদু ঐগী মীৎয়েংদা অশোনবা ৱারেপ অমনি হায়না পাউমীশিংদা জেলেনস্কিনা হায়খি। মহাক্না ৱাফমশিং অদু য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা ইরাই অমসুং থাংজদা য়ুক্রেনগী নেগোসিয়েটরশিংগা উন্নগদবা তালক্তা হায়খিবনি।

# য়ুক্রেননা রসিয়াগী মিসাইল প্রোটেক্সন ফেসিলিটি ৩দা এটেক তৌখ্রে

ক্যিব, ওক্টোবর ১০ (এজেন্সি): ঙরাং নুমিদাং রসিয়াগী তোঙান তোঙানবা মফমদা লৈবা মিসাইল প্রদক্সন ফেসিলিটি ৩দা এটেক তৌখ্রে হায়না য়ুক্রেনগী মিলিটরিনা ফোঙদোকখ্রে।

টেলিগ্রামদা ষ্টেটমেন্ট অমদা য়ুক্রেনগী জেনরেল ষ্টশফনা হায়খি, এক্সপ্লোসিবশিং অমসুং রোকেট ফুয়েল ফংনবা রসিয়াগী এবিলিটি হন্থহন্নবা নিঝরি নোবোকোরোট রিজনদা ইন্টরকন্টিনেন্টেল বালিষ্টিক মিসাইলশিংগী দিএসেমব্লিংগী সেন্টর অমা অমসুং মিসাইল কম্পোনেন্টশিং শাবা টিভের রিজনদা লৈবা ফেক্টরি অমদা এটেক তৌখ্রে হায়খি।

রিজন অদুগী গভর্ণরনা সার্ভিসমেন্ট অমা শিখ্রে। এটেক অদু তকথোকখ্রে অমসুং দ্রোন মচেৎ মকায়শিংনা ইনফ্রাষ্ট্রকচরদা খরা শোকখি হায়খি।

# রিয়াধ এয়ারপোর্টতা অমুক এটেক তৌরকখ্রে, এয়ার ট্রাফিক লেপখ্রে



রিয়াধ, ওক্টোবর ১০ (এজেন্সি):

ইরান ৱারগী অনৌবা ফ্রান্টতা সাউদি আরাবিয়ানা এটেক কয়ামরুম মথং মথং মায়োক্নরকখিবদা পাইলোট অমা য়াওনা সাউদি সিটিজন ৩ শিখিবগী নুমিৎ নীনিগী মতুং লৈবাক অদুগী কোনুংদা লৈবা এয়ারপোর্ট অদুদা থাংজ নুমিৎতা অমুক হন্না এটেক তৌরকখ্রে অমসুং ইভেকুয়েট তৌখ্রে হায়না রিজনেল ওফিসিয়েল অনিনা ফোঙদোকখ্রে। রিয়াধ য়ারপোর্টতা এয়ার ট্রাফিক লেপখ্রে হায়না ওফিসিয়েল অমনা হায়খি।

সাউদিনা লুচিংবা কোলিসন অমনা থংনবা য়েমেনদা ইরাননা শৌগৎপা হৌথি রিবেলশিংগী মায়োক্তা অচৌবা মিলিটরি এটেক অমা চথখিবা মতুংদগী চয়োল অসিদা কিং খালিদ ইন্টরনেসনেল এয়ারপোর্টতা কয়ারক হন্না টার্গেট তৌরকখ্রে।

য়ুশকৈশা নুমিৎতা সুনামিজ নেসনেল অমা শিখিবা অমা য়াওনা মমাঙগী এটেকশিংগীদমক হৌথিশিংনা মখোয়না তৌখিবনি হায়খি।

খুদক্তা হৌথি ষ্টেটমেন্ট অমত্তা থাংজ নুমিৎতা পীরকখিদ্রি। নিংথৌ পানবা লৈবাক অদুদা ফোরেন মেদিগী থবক য়েংশিল্লিবা সাউদি গভর্ণমেন্টনা চল্লাইবা সেন্ট্রেল ফোর ইন্টরনেসনেল কম্যুনিকেসননা কম্যুনিকেসনদা মত ফোঙদোকপীরক্নবা হায়জখিবদা খুদক্তা পাউ অমত্তা পীরকখিদে।

অহমদ সায়েদ কৌবা রিয়াধদা লৈবা মীওই অমনা দ এসোসিয়েটেদ প্রেসতা কোনুং অদুদা নিকখিবা য়ামদ্রবদা অহৌবা পোকখায়বগী মখোল ২ তাখি হায়খি।

# হোর্মুজদা এল পি জি টেঙ্করদা এটেক তৌখ্রে: ইরান গার্দস

টেহরান, ওক্টোবর ১০ (এজেন্সি):

মিদ্দল ইষ্টকী লান হৌরকপদগী হৌনা টেহরাননা ব্লোকেদ তৌনবা হোৎনরিবা ষ্ট্রেট ওফ হোর্মুজ অদু ফাওনা আইননা য়াদবা লম্বী অমা শিজিন্নবা হোৎনরম্বা টেঙ্কর অমা মখোয়না এটেক তৌখ্রে হায়না ইরানগী রিভোলুসনরি গার্দসনা ইরাই নুমিৎতা হায়খ্রে।




মেরিটাইম ট্রেক্করশিংনসু য়ু এ ই টোর্ব্বান মনাক্তা জহাজ অদুগী মথক্তা মশক খঙদবা প্রোজেক্টাইল অমনা মৈ অমা চাকহনখ্রে হায়না ইরাই নুমিৎতা হায়খি, অদুবু তোঙানবা জহাজ অমগী মমিং পনখি।

ওফিসিয়েল মেদিয়াদা ফোঙবা ষ্টেটমেন্ট অমদা গার্দসশিং অদুনা ইরানগী ফোর্সশিং ষ্ট্রেট অদুগী এদমিনিষ্ট্রেসনগী কন্ট্রেল অদু লৌশিল্লে হায়খি। মিসন অসি পাঙথোকপদা পুং খরখক্কী মমাঙদা ষ্ট্রেট ওফ হোর্মজুগী খা থংবা আইননা য়াদবা লম্বী অদু ফাওদুনা চৎনবা হোৎনরকখিবা নাট ৱিটনা মপু ওইবা এন ভি সনসাইন কৌবা অচৌবা এল পি জি কেরিয়র অমদা এটেক তৌখ্রে হায়না মখোয়না মখা তাখি।

ষ্ট্রেট অদুগী খা নোংচুপদা প্রোজেক্টাই অমনা পানবদা জহাজ অমদা মৈ চাকখি হায়না বৃটেনগী য়ু কে এম টি ও মেরিটাইম এজেন্সিনা হায়খি। অদুবু ক্রুগী ফিভম, অতেক অকায় থোকখিবা অমসুং এনভাইরোমেন্টতা শেকপা য়াবগী মতাংদা হৌজিক খঙবা ঙমদ্রি, ওথোরিটিজনা থিজিল্লি হায়না ষ্টেটমেন্ট অমদা মেরিটাইম এজেন্সি অদুনা হায়খি।

যৌদোক অসি মরুওইবা ঈশিং লম্বী অদুগী নোংচুপতা কিলোমিটর ৫০০ রোম লাপ্পা কাটার মনাক্তা টেঙ্কর অমদা এটেক তৌখিবা অমগী নুমিৎ খরগী মতুংদনি।

# কোরকোমনা ওক্টোবর ১৫দা পুং ১২গী টোটেল সটদাউন লাওথোকখ্রে

*লমায় ১গী মখা...*

ইন্দিয়ানা য়ুএন চার্টরগী আর্টিকল ২(৪) ভিএন্না কনভেন্সন ওন দি লো ওফ ত্রিটিস (ভি সি এল টি) ১৯৬৯, মণিপুর ষ্টেট কন্সটিট্যুসন এক্ট ১৯৪৭ অমসুং ইন্দিয়ান ইন্দিপেন্দেন্স এক্ট ১৯৪৭ গী কাঙলোনশিং খোঙ্গাওনদুনা ইরমদম মণিপুরবু নক্লৌশিনখিববু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা চহী খুদিংগী ওক্টোবর ১৫ বু নেসনেল ব্লেক দে হায়না কোরকোম অমসুং মণিপুর মীয়াম্না পাঙথোক্তু না লাক্লি।

তশেংনমক মণিপুর (কংলৈপাক) কী নিংথৌ বোধচন্দ্রবু ১৯৪৯ গী সেপ্টেম্বর ২১ দা ইন্দিয়ান ফোর্সেসনা মণিপুরগী লম ওইরিবা শিল্লোংগী রেদ জোন্দা লাঙ্গৈাই চনশিল্লগা নোং মৈ চিন্দোন্দা নমথাক্কী মর্জর এগ্রিমেন্ট খুৎয়েক পীনখিবা অদু এগ্রেসননি। অদুগা ওক্টোবর ১৫ দা মণিপুরবু ইন্দিয়ানা লৌশিনখিবা অমসুং মণিপুরগী পুৱারীগী শাগোন্নরক্লবা শিল্লোংদা লৈরিবা মণিপুর রাজবারি হায়নসু খঙনরিবা রেদ লেন্দ বিল্ডিংগী অরিবা স্ত্রকচরশিং ইং ২০২৫ কী ওক্টোবর ৮ অমসুং ৯ দা থুগায়খিবদু এন্নেক্সেসনগী তরং তরংবা থৌদোকশিংনি।

কুমজা ১৯৪৯ গী ওক্টোবর ১৫ দা মণিপুরবু ইন্দিয়াগী ফিবান্নুং দা তিনশিনখিবগী মতাংদা খন্ন নৈনরকপদা ৱাহং কয়া থোক্লকই। .... মথং মথং


## In The Court of The Sub-Deputy Collector, Salam

*Ref. :- Mutation Case No. 252/SDC/IW(S) Dated 09/10/2026*

1) Kongbrailatpam Surjit Sharma S/O Sohodeba Sharma of Awang Khunou Mayai Leikai.
2) Kongbrailatpam Amujao Sharma S/O -do- of -do-
3) Kongbrailatpam Amuthoi Sharma S/O -do- of -do-
-Petitioner

-VS-

Late Kongbrailatpam Surjamani Sharma S/O Sohodeba of Awang Khunou Mayai Leikai. -Opposition Party

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

*The 10th, Septembar, 2026*

U/S 46 (3) of MLR & LR, Act 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি মথক্তা পল্লিবা Petitioner শিংনা Salam তাহশিলগী খুল নং 77-Awang Khunou গী অনৌবা পাট্টা নং 779 (New) দাগ নং 652 এরিয়া 0.14 একর চাওবা ইং *খোল* অসিগী পাট্টাদার Kongbrailatpam Surjamani পিতা Sohodeba Sharma সাং Awang Khunou Mayai Leikai অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃত পাট্টাদারগী মীং ককথৎপিরগা Petitioner গী মিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাস্ত অমা থারক্লে মরম অদুনা ইং*খোল* অসি নামা পানখিবদা য়েৎপিনিংবা লৈরবদি নোটিস অসিনা ফোংবা নুমিত্তগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগকী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চে পীশিনগদবনি। মথক্তা পিরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী অপ্তি লৈত্রে হায়না লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথজগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Salam, Imphal West

SL/5652/11


### ক্রোসৱার্দ ১১৬৫ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| A | L | T | O | | S | T | A | R | | C | H | E | A | P |
| L | I | E | N | | P | E | T | E | | L | E | D | G | E |
| A | S | S | O | C | I | A | T | E | | A | R | G | U | E |
| S | A | T | | A | R | M | E | D | | R | O | Y | A | L |
| | | | P | R | I | S | M | | D | I | N | | | |
| A | R | T | I | S | T | | P | L | A | N | | T | A | N |
| D | E | A | N | | | S | T | A | R | E | | A | D | O |
| A | B | R | E | A | S | T | | O | N | T | A | R | I | O |
| G | E | T | | C | L | A | S | S | | | D | O | E | S |
| E | L | S | | C | O | S | T | | S | T | A | T | U | E |
| | | | L | U | G | | A | L | A | R | M | | | |
| S | E | D | E | R | | A | M | I | N | O | | A | P | R |
| L | L | A | M | A | | T | I | M | E | T | A | B | L | E |
| A | L | L | O | T | | O | N | E | S | | R | E | E | L |
| M | A | I | N | E | | P | A | S | T | | E | D | D | Y |

# পানামাদা য়ুহার হাবদা বিল্ডিং কয়া নিংখায়খ্রে, মীওই ২৭ শোকখ্রে

পানামা, ওক্টোবর ১০ (এজেন্সি):

ঙরাং ইরাই নুমিৎতা পানামাদা মেগ্নিচুদ ৭.৫ য়ৌনা কনবা য়ুহার হাবা অমদা লৈবাক অদুগী সেন্ট্রেল বিল্ডিংশিং অমসুং লম্বীশিং নিংখায়খ্রে অমসুং য়ামদ্রবদা মীওই ২৭ শোকখ্রে। শিবগী পাউ অমত্তা লৈখিদে।

নেসনেল সিভিল প্রোটেক্সন সিষ্টেমগী মতুং ইন্না মী বিল্লিয়ন ৪.৫ লোমগী সেন্ট্রেল আমেরিকান লৈবাক অদুদা য়ুহার হাখিবগী নিকপগী শাফু ফংখি।

ইপিসেন্টর অদুদগী কিলোমিটর ২০০ রোম লাপ্পদা লৈবা পানামা সিটিদা সিটি অদুগী ইমর্জেমেটিক স্কাই স্কেপরশিংদগী মীয়াম্না চেন্থোক্নবা হোৎনখিবদা মীপায়নবগী থৌদোকশিং থোকখি।

দ্রেসরস বেগ অমসুং চাখুমগী আইটেম পুন্নমক নিকখি। সোসিয়েল মেদিয়াদা পাক শন্না হোৎনরকখিবা ভিদিও অমনা মথোল ২৩ হেন্না ৱাংবা বিল্ডিং অমগী য়ুমথক মতোনদা লৈবা পুলদগী ঈশিং তারকখিবা অদু উৎলি।

ঐখোয় অচৌবা দিজাষ্টর অমা মায়োক্নরে হায়না প্রসিদেন্ট জোর্স রাহুল বিয়ুলিনোনা ফোঙদোকখি। লম্বী খরদি মপুং ফানা কায়খ্রে হায়না মহাক্না মখা তানা হায়খি।

নেসনেল সিভিল প্রোটেক্সন সিষ্টেমদগী থোকপা ষ্টেটমেন্ট অমগী মতুং ইন্না য়ুহার হাবা অদুগী ফল অমা ওইনা লৈবাক অদুদা মীওই ২০ অশোক অপন খরা থোকখি।

ইষ্টর্ন পেসিফিক্কীদমক সুনামিগী ৱার্নিং অমা থোকখি অদুবু কোন্না লৌথোকখ্রে। য়ু এস সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট মার্কো রুবিওনা পানামানিয়ান গভর্ণমেন্টকী হায়জরকপদা তেংবাংনবা মাগী ওফিসতা রিসোর্সশিং অমসুং পার্সোন্নেল থুনা মোবিলাইজ তৌদুনা ফিভম অদু কুপ্না মহাক্না মোনিটর তৌরি হায়না ইরাই নুমিৎতা এক্সতা হায়খি।

পানামা কেনেল ওথোরিটিনা পেসিফিক অমসুং অটলান্টিক ওসিনশিং শক্নহল্লিবা চেনেল অদু ফাওদুনা চৎপা জহাজশিং শোক্তে অমসুং হান্নগুম্না থবক তৌরি হায়খি। পানামা সিটিগী ইন্টরনেসনেল এয়ারপোর্ট অদু মতম খরগী ওইনা থিংজিনখি।

# পিপলস রিভোল্যুনরি পার্টি ওফ কংলৈপাক (প্রোগ্রেসিভ)গী ফিঙাং লান্মী শাফোংলকপগী ৫০শুবা নুমিৎ থৌরম পাঙথোকখ্রে

*ঙরাংগী মখা...*

লৈজা হৈজবশিং পুথোক্নদুনা মীয়াম্না শৌগৎপা লানগী থৌরাং তৌগদবনি। য়েক্নবগী অহেনবা খুদোঙচাবা করিনো, ঐখোয়গী অশোনবা করিনো খঙলবদি শোক্নগদৌরিবা লান অদুগী তাঙ্খায় মায়পাক্লে হায়নবা লৈ হায়বসিসু খঙমিন্নসি হায়রি।

পুক্লিংগী পাঙ্গল শোন্থবদগী তৌফমথোকপা থবক থৌদাবা, খন্থদনা থবক তৌবগী লাইচৎ ফিলোসোপিকেল টার্মদা 'এক্রেসিব'গী ফিভমশিং মীতৈশিংনা মতম শাংনা ইন্দিয়াদা নোনজরুবদগী হায়নবা অশোনবা অমা ওইনা লৌরক্লি। মসিনা মরম ওইরগা তৌনিংবা তৌগনবা, থবক য়েথোক্নবা, ঙাইহাক্কী ইহুল–ইথিলদা তাওথগনবগী হৈনবি লাইচৎনা ঐখোয়গী খুনাইসু শিথরক্লি। তুং কোয়বসু য়াদবা কান্নফমসু খঙদবা 'চরুগী মৈ' গুন্না মমাঙদা শোক্নখিবা লান অদুগুন্না শোক্নরদি পান্দম ফংবা ঙম্মোয়। তশেংনা হায়রবদা চহি কয়া ময়ূম থাদোক্লগা ৱাখল চেৎনা লেপ্লিবা ময়ামনদি লালহৌবনি হায়নরিবা কাঙবুনা মীয়ামগী লান অসিগী মপুং ওইবা থৌদাং লৌগদবনি। লাইবক থিবদি ঈ মশেলগী ঈরৈচা ওইরিবা পুলিস অমদি ইন্দিয়াগী সেক্যুরিটি ফোর্সদা থবক তৌরিবা মৈতৈ মচাশিংসিনা হিরম খরদা ওইরসু লালহৌবশিংবু শৌগৎতে। অতম্ননা য়েক্নবনি খল্লগা মুখৎনবা হোৎনৈ। মসিনা মরম ওইরগা লালহৌবা ঐখোয়গী মশা মরেং শন্নে দাকপা ঙমহন্দে, য়েক্নবা ওইরক্লিবা কাঙবুশিংদা মতম চানা মায়থিবা পীবসু ঙমহনখিদে হায়রি।

মমায় মকোক লৈতবা ইন্দিয়াগী ফিভম :

বি জে পি লৈঙাক্না শেনমিৎ–পোথোকতা চাওনা হেনগৎলি ওৎনবা জি দি পি দাটাশিংদা ওৎলৈ–পালৈ তৌবদগী শেনমিৎলোন নৈনবশিংনা ইন্দিয়াগী জি দি পিদা "গ্রোস দোমেষ্টিক প্রোপেগন্দা"নি হায়না নোক্নরি।

মহৌশাগী লনগৈসু ৱাৎত্রবা, মহে হৈবা থবক শুনিংবা মীসু য়াম্না লৈরিবা ইন্দিয়ানা মালেমগী মাঙজিন থাবা লৈবাক করিগী ওইবা ঙমদ্রিবনো?

চাওখৎপা পামদবা মীয়াম ইন্দিয়াদা লৈতে, অদুবু মখোয়বু চাওখৎ–হন্নিংদবা পোলিটিকেল লুচিংবদি মশিং থিঙমদনা লৈরি। শেঞ্জাও পায়বা পোলিটিসিয়ানশিংনা লাইরহনবা ইন্দিয়া লৈবাক পোলিটিকেল পৱারগী মহাও খঙখ্রবা পোলিটিকেল পার্টি মশেল লেপ্পা লৈতনা মরান পীনদুনা ইন্দিয়াগী পোলিটিকেল প্রিন্সিপল ওইরে। ইলেক্সনবু শেন্নরিবা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া (ই সি আই)না ব্যুজিনেস ট্রান্সেক্সনগী শেল থুম লৌবা 'কম্মিসন এজেন্ট' ওইনা লৈরুবদগী ইন্দিয়া মীয়ামনা ইরাং হৌরক্লি। অচুম্বা মীখল লৈত্রবা ইন্দিয়াবু দিমোক্রেটিক কন্ট্রিনি হায়বা য়ারিব্রা?

মণিপুরগী ঙমখৈদা লৈবা পিলোং খুঞ্জাশিং কে এন এফ–বিনা হাৎপা মতমদদি বি জে পিবু মীখলদা মায়পাকহনবা ঙমখিবা 'সর্জিকেল ওপরেসন'দু কাওথোকখ্রে। মীহাৎ অসিদা আই ও এফগী খুৎ য়াওবগীরনা? ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টগী মমৈদা গৌতম বুধ নপশিল্লগা মপুক্লিংগা মখূৎনা নোংমৈ থাঙ থম্বা কাংবুদা থাজগুমসি মখোয়না শেমগৎলিবা প্রোক্সি কোংবুগা মায়োক্নবা থৌরাং তৌমিন্নসি হায়না মীয়ামদা থমজরি হায়রি। (লোইরবা)

### পেজ ৬কি অয়েকপা লাই অনিদুগী খেন্নবা

১) অনোক, ২) ফুরিৎ, ৩) মায়থোঙ, ৪) লিকলি, ৫) ষ্টুল, ৬) কোই

ꯄꯦꯖ ꯶ꯀꯤ ꯑꯣꯏꯀꯄꯥ ꯂꯥꯏ ꯑꯅꯤꯗꯨꯒꯤ ꯈꯦꯟꯅꯕ
꯱) ꯑꯅꯣꯛ, ꯲) ꯐꯨꯔꯤꯠ, ꯳) ꯃꯥꯌꯊꯣꯡ
꯴) ꯂꯤꯛꯂꯤ, ꯵) ꯁ꯭ꯇꯨꯜ, ꯶) ꯀꯣꯏ


## IN THE COURT OF THE CIVIL JUDGE (SENIOR DIVISION), IMPHAL WEST

**Execution Case No. 28 of 2026**

Ref:- Original (Money) Suit No. 152 of 2025

Ningombam (Ningol) Thokchom (Ongbi) Sundari Devi, aged about 41 years, W/o. (Late) Thokchom Inao Singh, a resident of Meitram Makha Leikai, P.O. Tulihal, P.S. Nambol, Imphal West District, Manipur.

...Decree holder.

**-Versus-**

Laishram Shija Singh, aged about 50 years, S/o. Laishram Chandrababu Singh, a resident of Yairipok Bishnunaha, P.O. & P.S. Yairipok, Thoubal District, Manipur.

... Judgment debtor.

**SUMMONS/NOTICE FOR SERVICE BY ADVERTISEMENT IN A NEWSPAPER (Order V, Rule 20)**

To,

Laishram Shija Singh, aged about 50 years, S/o. Laishram Chandrababu Singh, a resident of Yairipok Bishnunaha, P.O. & P.S. Yairipok, Thoubal District, Manipur.

WHEREAS, the above-name Decree Holder has filed execution application for enforcement of the decree passed on 20.05.2026 passed in Original (Money) Suit No. 152 of 2025 of this Court and has prayed for execution of the said decree. You are hereby summoned to appear before this Court on 15.10.2026 at 10.30 a.m. to show cause as to why the said decree should not be executed against you.

Take notice that, in default of your appearance on the said date, the Court shall proceed with the execution of the decree in accordance with law.

Given under my hand and seal on this 25th day of September, 2026,

Sd/-
(Dr. Laishram Rina Devi)
Civil Judge (Senior Division),
Imphal West

SL/Ath/11

SL/KK/10 to14 (15 days)



